www.sanaleibak.in

SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14,852
22 Carat/g : ₹ 13,996
1 Kg Silver : ₹ 1,96,170
10 Gram Silver : ₹ 2,282
WEATHER: Partly Sunny
Temperature 29/21°C
Sunrise: 05:04 AM
Sunset : 05:08 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Page 5
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 284 | IMPHAL, FRIDAY, SEPTEMBER 25, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, লাংবনগী ১৪ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

Government of India

ইন্দিয়ানা ঙংলি. হান্নদগী হেন্না হৌনা...

পি এল আই স্কিমনা লেন্দস্কেপ হোংহল্লে
- লুপা লাখ কোটি ২৩.৮গী পোখোক পুথোকপা / য়োনবা
- লুপা লাখ কোটি ১৫.৫+ কী পোখোক মপান্দা থাদোকপা
- থবক লাখ ১৪.৬ পীবা

মেনুফেকচরিংগী লমদা ইন্দিয়াগী অচৌবা খোঙথাং
- লৈবাক অসিদা শিজিন্নরিবা মোবাইল ফোনগী ৯৯.২– হৌজিক ইন্দিয়ানা শারে
- ইলেক্ট্রোনিক মেনুফেকচরিং ২০১৪দা লুপা লাখ কোটি ১.৯০ ওইরম্বদগী শরুক ৬ লোম হেনগৎতুনা লুপা লাখ কোটি ১৩.১১দা হেনগৎলে, মসিনা থবক লাখ ২৫ পীবা ঙমখ্রে
- দিফেন্স প্রদক্সন ২০১৪দা লুপা কোটি ৪৬,৪০০ ওইরম্বদগী ২৮০% হেন্না হেনগৎতুনা লুপা লাখ কোটি ১.৭৮ য়ৌরে

'ষ্টার্টঅপ' হায়বা ৱাহৈসি হৌজিক ইন্দিয়াগী শক্তাক ওইরে
- ২.৫ লাখ হেনবা ষ্টার্টঅপ
- মখোয়শিং অসিগী চাওরাক্লা ৫০% দি টিয়ার–২ অমসুং টিয়ার–৩ সিটিশিংদগীনি
- ষ্টার্টঅপনা থবক লাখ ২৫ হেন্না পীরে

অচৌবা মীৎয়েং অৱাংবা আশা
- ২০১৪দা মপান্দা পোখোক থাদোকপগী চাং দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৬৮ ওইরম্বদু ৮৪% হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৮৬৩ য়ৌরে
- লুপা লাখ কোটি ৪৩গী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টনা ইনভেষ্টমেন্টকী পুক্নিং চিংশিল্লে
- ইন্দষ্ট্রিয়েল স্মার্ট সিটি ২০ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌরে
- ২০২৫–২৬তা পেটেন্ট লাখ ১.৪০+ ফাইন তৌরে, মসি হৌজিক চহী ২০দা খ্বাইদগী ৱাংবনি

পোখোক খূদিংগী কৈথেল অমমম
- ৱান দিষ্ট্রিক্ট ৱান প্রদক্ট (ও দি ও পি)গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ৭৭৩দগী মশক নাইবা পোখোক ১,২৪৪ খনগৎলে, অদুগা আর্টিসিয়ানশিং মতেং পাংলে
- ওপন নেটৱার্ক ফোর দিজিটেল কম্মর্স (ও এন দি সি)গী খুত্থাংদা ওর্দর কোটি ৪৭০ পীদুনা অপিকপা ইন্টরপ্রিনয়রশিংদা অচৌবা ইনোৎ পীরে

১২ চহীগী MAKE IN INDIA
সেল্ফ–রিলাইয়েন্স, স্কিল. ফ্যুচর–রেদি

" হৌজিক ইন্দিয়ানা চিপতগী সিপতা মেন্যুফেকচরিংগী অনৌবা ৱারি অমা ইরি "
–নরেন্দ্র মোদি

CBC 07101/13/0042/2627

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ওসিগী রাশি ফল (২৫-০৯-২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এস্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ শাওদবা, তপথবা ফগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। মীগী মতেং পাংলুদবা ফগনি। তোখাই তাগনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

বৃষঃ ইচুম চুম্বদা অর্থ লান্না লৌগনগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈশিংগনি। লুচিংবশিংনদি চানবীরগনি। মরীমতানা য়েংথিগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

মিথুনঃ হোনজমন কান্নবা, শেল ফংবা, পোৎ–চৈ লৈবা য়াবা ওইরগনি। লোল মান্নদবশিং, শাগৈনা নুংশিবীগনি। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

কর্কটঃ অচৌবা মচা খায়দনা লোয়নবা য়াগনি। শেল চৎপা, মমল য়াম্বা পোৎ–চৈ লৈবা য়াবা, চৎথোক চৎশিন্দা কান্নবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

সিংহঃ খল্লুদবা পামদবা থেংনবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা ওইরগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। অশাওবনা মাঙজগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্লগনি।
মহৈরোইশিংগী – ফকচিল্লগনি।

কন্যাঃ পুক্লিং হকচাং ৱাখল ফগৎপা, থৌরম মায় পাকচবা, মরুপ মফম ফগৎপা, মতেং পীবীবা য়াম্বা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি। শান্তি লৈগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

তুলাঃ তিন্নবশিংনা চানবীবা, শাগৈনা চানবীবা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা, শীংথাবীবদা য়াওবা ওইরগনি। মকোক ওইবশিংনদি নুংশিবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

বৃশ্চিকঃ খুদোংচাবা থেংনবা, মিংচৎ হেনগৎপা, লল্লানবশিং, লুচিংবশিংনা নুংশীবীবা ওইরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা কান্নগনি। ইমুংদা শান্তি লৈগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী– বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

ধনুঃ তিন্নবশিংদগী তোখাই তাবা, ইচুম চুম্বদা অরানবা তাহনবা ওইরগনি। ৱাঙাংবদা মী লোয়নবদা হৈশিংগনি, থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

মকরঃ চেকশিন্না হৈশিংনা হোৎনজগনি। থবক্তি মায়পাক্লগনি। শকখঙবীবা, য়াম্লগনি। শেল ফংবা পোৎ লৈবা য়ারগনি। ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

কুম্ভঃ হোৎনবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকপা, শেল ফংবা মকোক ওইবশিংনা চানবীবা, লমতু চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

মীনঃ থবক থৌরমদা অফবা ফল ফংবা, শক খঙবীবা হেনগৎপা, অরাপ্পা চৎপা, মীতিন্নবা কান্নবা ফংবা ওইরগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

ꯆꯦꯛꯁꯤꯟ/WOMEN VENDOR CARD LOST

I have lost my Women Vendor Card of Thoubal Keithel under the jurisdiction of Thoubal Municipal Council, Thoubal bearing Licence No. 34, Seat No. 28, Plot No. G_2(FF), Trade-Pan Seller on the way from Thoubal Haokha Mamang Leikai to Thoubal Municipal Council Office on 18th September, 2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Asem Santi Devi**
W/o Asem Rajen Singh
Thoubal Haokha Mamang Leikai
9856561205

SL/Brjt/25

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 451/SDC/IW(C)-II of 2026, dt. 24/09/2026

Mutum Landhoni Devi, W/o (L) Y. Momon Singh of Singjamei Thongam Leikai .....*Petitioner*

-Versus-

(Late) Yengkokpam Momon Singh, S/o (L) Muktamani Singh of Singjamei Makha Thongam Leikai .....*O.P.*

ꯈꯪꯍꯅꯕ / NOTICE
Lamphel, the 24th September, 2026

Under Section 46(3) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Yengkokpam Momon Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 48-Singjamei অরিবা পাট্টা নম্বর 539 অনৌবা পাট্টা নম্বর 866 দাগ নং 3051 অমসুং এরিয়া 0.3510 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Sush/25

OFFICE OF THE
SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG
IMPHAL EAST

K.S. Khachungla, W/o (Late) K.S. Shimreingam of Tangkhul Avenue, Laipham Siphai ... *Petitioner*

ꯈꯪꯍꯅꯕ / NOTICE
Heingang, the 24th September, 2026

Notice অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি (Late). K.S. Shimreingam, Retd. J.T. Secretary লৈফম্না Tangkhul Avenue, Laipham Siphai লৈকায় লৈবা অসি তাং 05.08.2026 ইংদা লৈখিদ্রে। মরম অসিনা মহাক্কী লোয়নবী পিটিস্নার K.S. Khachungla অসিনা মহাক মশামক অসি লৈখিদ্রবগী Legal Wife Certificate নি হায়রে। মরম অদুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়রে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা পিটিস্নরগী মীংদা Legal Wife Certificate পীখিবদা য়ানিংদবা/য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে (newspaper) অসিনা ফোংবা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা ওফিস অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি নৎত্রবদি হায়রিবা অসিগী মতুংইন্না লাকপা ওবজেক্সন ওফিস অসিদা লৌরোই অমসুং ওফিসকী হৌনবী মতুংইন্না প্রোসেস অসি মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Heingang
Imphal East

SL/Runil/25

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. : Mutation Case No. 335/SDC/W(N) Sekmai of 2026

Rajkumari Nonganbi Leima, W/o (L) R.K. Setusana of Loitang Khunou .....*Petitioner*

-Vs-

(Late) R.K. Setusana Singh S/o (L) Thambalsana Singh of Loitang Khunou .....*Pettadar*

ꯈꯪꯍꯅꯕ / NOTICE
Sekmai, the 23rd September, 2026

Under Secion 46(3) of MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 41-Loitang Khunou Under Patta No. ..... (Old) 142/254 (New) Covered by c.s. Dag No. 231/387 গী area 0.16 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজখ্রগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai

SL/Brjt/25

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. : Mutation Case No. 336/SDC/W(N) Sekmai of 2026

Sijagurumayum Barundas Sharma, S/o (L) Nimai Sharma of Khonghampat Awang Leikai .....*Petitioner*

-Vs-

(Late) Sijagurumayum Nimai Sharma, S/o (L) Gourahari Sharma of Khonghampat Mayai Leikai .....*Pettadar*

ꯈꯪꯍꯅꯕ / NOTICE
Sekmai, the 23rd September, 2026

Under Secion 46(3) of MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 23-Khonghampat Under Patta No. 115 (Old) 28 (New) Covered by c.s. Dag No. 1283 গী area 0.18 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজখ্রগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai

SL/Brjt/25

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. : Mutation Case No. 337/SDC/W(N) Sekmai of 2026

Sijagurumayum Baleshwar Sharma, S/o (L) Nimai Sharma of Khonghampat Awang Leikai .....*Petitioner*

-Vs-

(Late) Sijagurumayum Nimai Sharma, S/o (L) Gourahari Sharma of Khonghampat Mayai Leikai .....*Pettadar*

ꯈꯪꯍꯅꯕ / NOTICE
Sekmai, the 23rd September, 2026

Under Secion 46(3) of MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 23-Khonghampat Under Patta No. 115 (Old) 28/546 (New) Covered by c.s. Dag No. 1283/1801 গী area 0.19 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজখ্রগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai

SL/Brjt/25

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI

Ref. : Mutation Case No. 338/SDC/W(N) Sekmai of 2026

Sijagurumayum Mohinikant Pyarelal Sharma, S/o (L) Nimai Sharma of Khonghampat Awang Leikai .....*Petitioner*

-Vs-

(Late) Sijagurumayum Nimai Sharma, S/o (L) Gourahari Sharma of Khonghampat Mayai Leikai .....*Pettadar*

ꯈꯪꯍꯅꯕ / NOTICE
Sekmai, the 23rd September, 2026

Under Secion 46(3) of MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tashil Village No. 23-Khonghampat Under Patta No. 28 (Old) 28/545 (New) Covered by c.s. Dag No. 1283/1800 গী area 0.19 acres চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নমা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা Application থারক্লে, অমদি ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চৎথজপ্রগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West North Sekmai

SL/Brjt/25

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai

HEAVY DISCOUNT

Class	Rate	No. Of Bricks	Total Amount	Trns./Labour Charge (Rs.)	Total (Rs.)
1st Class	12.50	1,500	18,750	3,500	22,250
		2,000	25,000	3,500	28,500
2nd Class	12.00	1,500	18,000	3,500	21,500
		2,000	24,000	3,500	27,500
1st Reject	11.00	1,500	16,500	3,500	20,000
		2,000	22,000	3,500	25,500
Jhamat	10.00	1,500	15,000	3,500	18,500
		2,000	20,000	3,500	23,500
1st P.T.	9.00	1,500	13,500	3,500	17,000
		2,000	18,000	3,500	21,500
2nd P.T.	8.00	1,500	12,000	3,500	15,500
		2,000	16,000	3,500	19,500
3rd Class	5.50	1,500	8,250	3,500	11,750
		2,000	11,000	3,500	14,500
4th Class	4.00	1,500	6,000	3,500	9,500
		2,000	8,000	3,500	11,500
1st Checktek 407			4,500	3,500	8,000

Please Contact:
9366988039 / 7005134130

SL/Sush/6 Sep-6 Oct/alt

SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.

Hard Sana Suduku-1088

5		7		8			9	
8	3				4			5
	9		3		5			4
4	2			5				7
		8	2		7		3	
		5		3	6	4		
		9	4			7		
	8			7		3	5	
3			5			9		

সনা–সুদোকু–১০৮৮গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 14,852 | 22 Carat/g : ₹ 13,996 | 1 Kg Silver : ₹ 1,96,170 | 10 Gram Silver : ₹ 2,282 | WEATHER: Partly Sunny | Temperature 29/21°C | Sunrise: 05:04 AM | Sunset : 05:08 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Page 5 | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 284 | IMPHAL, FRIDAY, SEPTEMBER 25, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, লাংবনগী ১৪ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

ৱাখলগী চিঙ্গাক

ইমা ইপানা ঐখোয়বু করন্না নুংশিরম্বগে হায়বদু ঐখোয়না মমা মপা ওইরক্লবা মতমদা খঙলক্কনি

তলব ১সুং পেন্সন পীথোক্লবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোইশিং অমসুং পেন্সনরশিংগী তলব সেপ্টেম্বর ২৫দা পীথোক্লবা এমটুক অমসুং এমজিওগী জেইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (জে এ সি)না মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

...মখা লমায় ৬তা...

হেল্পলাইন নম্বর শীল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈবনা মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা ৱুমেন হেল্পলাইন অমদি চাইল্ড হেল্পলাইনগী নম্বর শীন্দোক্লে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লক্লি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈবনা মরম ওইরগা ৱুমেন হেল্পলাইন নম্বর ১৮১ অমদি চাইল্ড ...মখা লমায় ৬তা...

লৈচিলগী মচৎ উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ রং তরং মন্দল ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালগী নৌনা পুথোকপা প্লে 'লৈচিলগী মচৎ' মীয়ামদা উৎখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা থিয়েটর গ্রুপ অসিনা পুথোকপা অনৌবা প্লে অসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা উৎখিবনি। হঞ্জবম সতানন্দ শর্মানা স্ক্রিপ, ...মখা লমায় ৬তা..

মরী লৈনদে শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পুলিস স্পেসিয়েল কম্মান্দোনা ফারে হায়রিবা এন আর এফ এমগী মেম্বর খোংমন অতোম লৈকায় জোন ফোরদগী সেরাম বেনর্জি মৈতৈ (৩৩) অপোকপা ব্রোজেন্দ্রো হায়রিবা মীওই অসি করিগুম্বা হিরম অমত্তদা পার্টি অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ মণিপুর আর্মি (এম এ)গা মরী লৈনদে হায়না লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লোইরেদনা

মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ শুরকপগীদমক থৌরম অসি পাঙথোকইবনিনে

ঐসু লাইরজবা চহী ৩০ হেল্লক্লে, ইনাক খুলহৌবা য়ারদরা।

হেক্তা হায়জিনবা

লৈবাক কাংখোং চাইদনবা লাইৱা

লৈবাক কাংখোং চাইনগুমসি হায়রদি
শেল পায়বনা পোলিটিক্স তৌহনসি
থিকাদারনা পোলিটিক্স তৌহনসি
সপ্লাইয়রনা পোলিটিক্স তৌহনসি
চেঙ লল্লোনবনা পোলিটিক্স তৌহনসি
চেক্কোন মপুনা পোলিটিক্স তৌহনসি
নোংমৈ পায়বনা পোলিটিক্স তৌহনসি
থাও লল্লোনবনা পোলিটিক্স তৌহনসি
নিশা লল্লোনবনা পোলিটিক্স তৌহনসি
লৈবাক কাংখোং চাইহনগুমসি হায়রদি
তৌশিন্নবা এক্টিং হৈবা খনসি
লৈবাক নুংশিবা শাবা খনসি
চিনফেন ফাবা খনসি
মীনম্বা ঙাঙবা খনসি
ৱাশকপা হৈবা খনসি
অচুম্বা পাম্বা শাবা খনসি
মশা থাগৎপা হৈবা খনসি
লৈবাক কাংখোং চাইহনগুমসি হায়রদি

ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কে এন এ (বি)নি চীংনবশিংগী এম্বুসতা নাগা মপা মচা য়াওনা ৪ শিরে, ১ হিংহৌরে

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মকুই খুলদা লেপ্তনা এটেক্ট চথদুনা য়ুম ৪০গী মথক্তা মৈ থারপ্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অমা ওইরিবা কে এন এ (বি)নি চীংনবশিংনা এম্বুস চথদুনা নাগা ফুরুপকী মপা মচা য়াওনা মীওই ৪ হাৎখ্রে। মীওই অমনা নোংমৈনা পাল্লগা শিনিংচিৎতা হিংহৌরে হায়রি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মকুই খুলদনা ঙরাংদগী হৌরগা লেপ্তনা চথরকপা এম্বুসতা নোংমৈ কয়া অতৎ অখম লৈতনা কাপশিল্লকপগা লোয়ননা কনা লৈত্রবা মতমদা চঙশিন্দুনা য়ুম ৪০ হেন্না মৈ থারপ্লে হায়রি।

মণিপুরগা ম্যান্মারগা তাইনরিবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চসাদ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পিলোং নাগা খুলদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা কুকি নেসনেল আর্মি–বর্মা (কে এন এ–বি) নি চীংনবশিংনা এম্বুস চথরকপদা নাগা ফুরুপকী মীওই ৪ লৈখিদ্রে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না এম্বুস অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি কাঙপাৎ খুলেন্দগী মপা মচা ভরৈসিম জাজো অমসুং ফমি জাজো অদুগা কাঙপাৎ খুনৌদগী বেটলসন জাজো অদুগা উখ্রুল হেদ ক্বার্টরদগী নিংথেম কৌই। এম্বুস অদুদা নোংমৈনা পাল্লগা শিনিংচিৎতা হিংহৌরবা মীওই অদুনা অখান কপিং কৌই।

এম্বুস চথদুনা মীওই ৪ হাৎখিবা মফম অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চঙশিন্দুনা অশিবা হকচাংশিং অদু লৌথোকপা ঙমদ্রি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ঙসিদগী নুমিৎ নিনিগী মমাঙদগী কাংপোকপী মায়কৈদা লৈবা নাগা তাবা খুলশিংদা এটেক্ট চথরকপগী থবকসু লেপ্পা লৈত্রি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইম্ফাল তমেংলোং লম্বী পরিংদা লৈবা মকুই খুলদা ঙরাংদগী ...মখা লমায় ৬তা...

পাক শন্না মিলিটরি ক্রেকডাউন তৌবিনবা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

চীংদা মৈ চাক্লগা তম্পাক্তা জগোয় শাদুনা লৈবগী মতম নত্তেঃ এন বিরেন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ সুদা লৈবিরা কেদরশিং মশা মশাগী কেম্পতা থল্লগা পাক শন্না মিলিটরি ক্রেকডাউন চথবা অদুগা আই দি পিশিং রিসেটল তৌরক্লগা এন আর সি তৌহনবনা মণিপুরদা তুং কোইনা তম্ভদু লৈতাবা লৈহৎবা মচাক ওইগনি। মরম অসিনা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওৎপ্লেবা হোৎনবিয়ু হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুর গভর্ণর উনদুনা তকশিনখ্রে।

চীংদা মৈ চাকপা, মী শিবা মশিং থীনবা লৈবা তাহনগুমসি, চীংনা মৈ চাক্লগা অমম জগোয় শাদুনা লৈবগী মতম নত্তে, মৈতৈ ফুরুপনা পুম্নমক কোনশিল্লগা থৌদাং লৌগদবনি হায়না নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা এন বিরেনগা উনখিবা অদুগী মতুংদা লুপ্পাংশঙবমদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাওথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্কা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা কাংলুপকী ইরাং অসি মতম চানা লাকশিনবা ঙমহৌদবদগী চাওথোরকখিবনি হায়বসি অচুম্বা ৱাফমনি। অদুবু মতম অদুগী লৈঙাক্লা ইরাং অসি লাকশিন্নবা কন্না হোৎনখি। ইরাং অসি লৈনা লৈনা অমুক খঙহৌদনা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতাঙদা থোকখিবা খৎন চৈনবগী যৌদোক অমগী শাৎথৎতুনা ঙসিদি নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তা নৌনা ইরাং থোক্লদুনা চঙবা য়ানখ্রে। চীংগী মফম কয়াদা নোংমা কাদনা ইরাং থোকপগী পাউ লেপ্তনা লাক্লি। কুকিনা নাগাগী য়ুম মৈ থাবা, মী হাৎপা, নাগানা অমুক পাউখুম হন্দুনা কুকিগী য়ুম মৈ থাবা, মী হাৎপগী থবক লেপ্তনা চথরক্লি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ...মখা লমায় ৬তা...

স্কিল ট্রেনিংদা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিংগা সি এমনা ৱারী শান্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা আই আই টি মদ্রাজদা পাঙথোক্কদবা স্কিল ট্রেনিংদা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মণিপুর মাইনোরিটিজস এন্দ ইকোনোমিক দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম ও বি ই দি এস)কী মখাদা 'সেমিকন্দক্টর সর্ফেস মাওন্ট টেক্নোলোজি ...মখা লমায় ৬তা...

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা চথরিবা লোনচৎ অসি টেরোরিষ্টকী থৌওংগুম্বনিঃ সঞ্জয় শোরোকখাইবম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক মণিপুরদা চথরিবা থৌওং অসি টেরোরিষ্টকী থৌওংগুম্বনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট সঞ্জোয় শোরোকখাইবমনা ফোঙদোকখ্রে।

অমুকো, অমোৱোভা, পি এল এম পি এ এম, কোহর অমদি এম এস এফনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি লঙ্গোল জোন–৩দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা মশীং য়াল্লবা মীয়ান্না শরুক য়াদুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা সঞ্জয় শোরোকখাইবমনা মখা তানা হায়, ১৯৫১দা বেজ ইয়ার ওইবা এন আর সি অপদেট তৌনবা অথুবদা মণিপুর গভর্নমেন্ট, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা তকশিনগদবনি। এস আই আর ২০২৬ চৎনহনবা য়ারোই, অথুবদা আই দি পি শিং ময়ুম মায়কৈদা হঞ্জিলহল্লু, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা হৌজিক মণিপুর মীয়ান্না মায়োক্লরিবা অৱাবা অসি খুদক্তা কোকহল্লু, ...মখা লমায় ৬তা...

মীরেপনা মতিক চাদ্রবদি পার্টি অদুনা অহোংবা করিসু পুরকপা ঙম্লোইঃ বোচৌ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবদুনা মতিক চাদ্রবদি পোলিটিকেল পার্টি অদুনা অহোংবা করিসু পুরকপা ঙম্লোই হায়না লাক্কদৌরিবা ২০২৭কী জেনরেল ইলেক্সনদা লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনদা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লবা থৌরাংলিবা অকোইজম প্রিয়োব্রত্ত এলাইজ বোচৌনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইলেক্সন কেম্পেন কম্মিটি ...মখা লমায় ৬তা...

এন ই দি এফ আইনা শিন্দুনা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ এন ই দি এফ আই ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা সঞ্জেন্থোংদা লৈবা দাইরেক্টোরেট ওফ এগ্রিকলচরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টদি এন্দ প্রিপেরেসন ওফ মাষ্টর প্লান ফোর দি ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ সেক্টর্স ইন মণিপুর হায়বা টাইটলদা ঙসি পাঙথোকখিবা লাইরিক ...মখা লমায় ৬তা...

থবক তৌবদা ইকায় ইকি থাদোক্তুনা মী ওইনবা হোৎনগদবনিঃ সত্যব্রত্ত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ নহা ওইরিবশিংনা থবক অমা তৌবা মতমদা ইকায় অকি থাদোক্তুনা থবক অদুবু মায় পাক্লবা অমদি মী অমা ওইনবা হোৎনগদবনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচেম সত্যব্রত্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ওরা গ্রুপ ওফ কম্পনিজগী মখাদা ওরা সি ফুদ রেষ্টোরেনগী গ্রান্দ ইনোগুরেল সেরিমোনি ঙসি নাগামপাল লমাবম লৈকাই ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রত্তনা হায়, হৌগৎলক্লিবা নহা ওইরিবশিংনা অফবা থবক অমা তৌবা মতমদা ইকায়ফম থোক্তে। ইকায় অকি থাদোক্তুনা থবক অদু মায় পাক্তবা য়াদে অমদি ঐ মী ওইদবা য়াদে হায়বা ৱাখলনা মাঙদা থমদুনা হোৎনবা চঙই। মসিগুম্বা ৱাখল্লোল হৌরক্লিবা নহাশিংদা ...মখা লমায় ৬তা...

লুপা ক্রোর ৪৫গী দিফেমেসন সুট তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী লোক সভাগী ইন্নর এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা শীরকখিবা মরাল কয়া কোর্টনা ইভিদেন্স লৈতে হায়দুনা কক্খ্রবা মতুং মরাল শীরকপদা য়াওখিবশিংগী মথক্তা লুপা ক্রোর ৪৫গী দিফেমেসন সুট তৌখ্রে হায়না এম পি বিমোল ...মখা লমায় ৬তা...

'হায়ৱেদা ইল্লিগেল টেক্স লৌরিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা চপ চাবা মীৎয়েং থম্বা চুম্মী'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী মীয়ামগী পুকচাক অমদি মথৌ তাবা পোৎলম কয়া পুশিন্দুনা চঙলকপা গাড়ীশিংদা অয়েৎ অপন পীদুনা নেসনেল হায়ৱেদা ইল্লিগেল টেক্স লৌরিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা চপ চাবা মীৎয়েং থম্বা চুম্মী হায়না রিটয়ার্ড আই এ এস হরেকৃষ্ণ মঙশাতাবমনা ফোঙদোকখ্রে।

মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবকী লোক্তাক হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট ভেজিটেবল ফার্মস, ৱার্কস এন্দ ট্রেদর্স এন্দ ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন (এন ই ভি এফ দব্লীউ এন্দ টি দব্লীউ য়ু) মণিপুরগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম অদুগা মরী লৈননা হরেকৃষ্ণ মঙশাতবমনা হায়, লমদম অসিদা থাজবা পোৎলমশিং খক্তনা অৱাবা চৈথেং মায়োক্লরিবা ...মখা লমায় ৬তা...

য়ুকেএনএগী চীফ থাংখোমাং হাওকিপ এজেন্সিনা ফাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা ঙসি ফাওবা লোইশিন্দনা লৈরিবা হিংশা য়াওবা মণিপুরগী ইরাং অসিদা অচৌবা খূৎ য়াওই হায়না মীয়ান্না ঙাংন–শক্লরিবা কুকিগী খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্ট আউটফিট য়ুনাইটেদ কুকি নেসনেল আর্মি (য়ু কে এন এ)গী চীফ থাংখোমাং ...মখা লমায় ৬তা...

য়ু পি আই চার্জগী মায়োক্তা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫ দগী য়ুনিফাইদ পেমেন্টস ইন্টরফেস (য়ু পি আই) গী খুথাংদা লুপা লিশিং ২ দগী হেন্না কাপ্পদা চাদা ০.৪গী চার্জ লৌগনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা ওক্টোবর ২ দগী লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্ন ট্রেদর এসোসিএসনশিংগী মায়কৈদগী য়ু পি আইগী খুথাংদা লুপা লিশিং ২ দগী হেন্না কাপ্পদা চাদা ০.৪ চার্জ লৌগনি হায়বা লৈঙাক্লি ৱাফম হন্দোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখিবনি। ওক্টোবর ২ দা লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিগী মনুংচন্না বিজিনেসমেনশিংনা য়ু পি আই ক্যু আর কোদ, স্কেনর, সাউন্দ বোক্স অমদি দিজিটেলগী খুথাংদা পৈশা কাপ্পদা শীজিন্নরিবা খুৎলায়শিং অমুবা মচুগী ফীশিংনা কুপশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

খোঙজং অসিদা মপুং ওইনা মহারাষ্ট্রা চেম্বর ওফ কম্মর্স, ইন্দষ্ট্রি এন্দ এগ্রিকলচর, ওল ইন্দিয়া কঞ্জ্যুমর প্রোদক্স দিষ্ট্রিব্যুটর্স ফেদরেসন, ওল ইন্দিয়া ইদিবল ওইল ট্রেদর্স ফেদরেসন, ওল ইন্দিয়া জ্বেল্লর্স এন্দ গোল্ডস্মিথ ফেদরেসন, ওল ইন্দিয়া মোবাইল রিটেলর্স এসোসিএসন অমদি ফেদরেসন ওফ রিটেল ট্রেদর্স ৱেলফেয়র এসোসিএসননচিংবশিং শরুক য়াগনি। মহারাষ্ট্রা চেম্বর ওফ কম্মর্স, ইন্দষ্ট্রি এন্দ এগ্রিকলচরগী প্রসিদেন্ট রভিন্দ্র মানগৱেনা ফোঙদোরকখিবদা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ললোন ইতিক্কা মরি লৈনবা এসোসিএসনশিংগা ৱারি শান্নরবা মতুংদা ওক্টোবর ২ দা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। খোঙজং অসিদা ট্রেদর এসোসিএসন ৫০০ গী মথক্তা শরুক য়াগনি।

ওল ইন্দিয়া কঞ্জ্যুমর প্রোদক্স দিষ্ট্রিব্যুটর্স ফেদরেসনগী নেসনেল প্রসিদেন্ট ধৈর্যশিল পাটিলনা হায়খি, দিজিটেল পেমেন্ট তৌবদা অহেনবা চার্জ লৌদুনা বিজিনেসমেনশিংদা অচৌবা চৈথেং পীবা য়ানিংদে। মসিনা ললোন ইতিক্কী থবক তৌরিবা মীওইশিংদা চাউনা অমাঙবা থোকহনগনি হায়খি।

➡ য়ু পি আই পেমেন্ট তৌবদা চার্জ কয়া লৌগনি?

য়ু পি আই পেমেন্টগী খুথাংদা এম দি আরগী রেট অসি লুপা লিশিং ২ দগী হেন্না কাপ্পদা শুপ্পগী চাদা ০.৪ চার্জ লৌগনি। অদুগা লুপা লিশিং ৭৫ নৎত্রগা লিশিং ৭৫ গী মথক্তা কাপ্পদনা য়াল্লবদা লুপা ৩০০ চার্জ লৌগনি। চার্জ অসি পৈশা কাপ্লিবা মীওই অদুদগী লৌরোই, দুকান্দারশিং অমদি বিজিনেসমেনশিংদগী লৌগনি।

➡ মালেমগী লৈবাকশিংদগীদি ইন্দিয়ানা চার্জ হেন্না লৌব্রা?

মালেমগী ওইনা য়েংলুবদা চাইনাদা অলিপেনচিংবা মোবাইল ৱালেটকী খুথাংদা পৈশা কাপ্পদা চাদা ০.৬ চার্জ লৌই। ব্রাজিলদনা দেবিট কার্দকী খুথাংদা পৈশা কাপ্পদা চাদা ১ হেন্না লৌই। অদুগা ক্রেদিট কার্দকীনা চাদা ২.২ লৌই। আমেরিকাগী ওইনদি গভর্ণমেন্টগী ওইবা চপচাবা ফিক্স লৈতে। তৌবতবু ক্রেদিট কার্দকী খুথাংদা পৈশা পীবদা চাদা ২ দগীনা ৩ ফাওবগী চাংদা লৌই। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগা য়েংনরুরবদি ইন্দিয়াগী ওইনদি য়ু পি আইগী খুথাংদা লুপা লিশিং ২ গী মথক্তা পৈশা কাপ্পদা চাদা ০.৪ লৌগনি হায়রিবা অসি য়াম্বদি ওইদে হায়রি।

➡ চার্জ লৌবা করিগী মথৌ তাবনো?

ইন্দিয়াগী ওইনা দিজিটেল পেমেন্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চহীগী ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং ২০ লোম চাদিং তৌই। পোৎশক অমা লেন্না থবক তৌরবদি শুপ্পগী অচৌ অচৌবা অমদি শেঞ্জাউ পায়বা কম্পনিশিং খক্তা মাঙজবশিং অদু মায়োক্লবা ঙমগনি। অদুবু অপিক অপিকপা কম্পনিশিংগী ওইনদি মাঙজবশিং অদু মায়োক্লবা অমদি মার্কেটতা হিংবা ঙম্লোই। য়ু পি আইগী খুথাংদা চার্জ খরা খজিক লৌবা অসিনা মার্কেটতা অমুক্কা হেন্না কম্পিটিসনগী ইনভাইরোনমেন্ট অমা পুরকপা ঙমগনি। লোয়ননা অনৌবা টেক্নিকশিংদা ইনভেষ্ট তৌরকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্কনি। মরম অদুনা য়ামদ্রবসু য়ামদনা য়ু পি আইগী খুথাংদা লুপা লিশিং ২ গী মথক্তা শেল কাপ্পদা চাদা ০.৪ লৌনবগী ৱাফম অসি পুথোরকপনি হায়রি।

লৈঙাক্লা পীবা চাকথুং মীয়ামদা মপূং ফানা ফংহনবা মথৌ তাইঃ নিসিকান্ত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ দিপার্টমেন্টশিংনা চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা লৈঙাক্লা পীবা চাকথুং মীয়ামদা মপূং ফানা ফংহনবা মথৌ তাই হায়না কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ নিসিকান্ত সাপমনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন্না থৌদাং লৌদুনা সেগা ...মখা লমায় ৬তা...

শৈজাং চৈরাও চীংদগী খূৎলায় ফংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস) ঃ সি দি ও ইম্ফাল ইষ্ট অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পুন্না চথবা সর্চ ওপরেসন অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা শৈজাং চৈরাও চীংগী অকোয়বদগী য়াল্লবা খূৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

কম্বাইন্দ টিম অদুনা চথখিবা সর্চ ওপরেসন অদুদা ফংবা ঙমখ্রবা খূৎলায়শিং অদুদি লোকেল মেদ টুয়েল্ব ভোর নোংমৈ ৬, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, নম্বর ৩৬ হেন্দগ্রেনেদ ২, ...মখা লমায় ৬তা...

পিএলএগী ৪৮ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা আরপিএফনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মীয়ামগী নীংতম লান্মী পিএলএগী মপোক কুমওন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইমা লৈবাক অমসুং মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জং অসিদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলি। নীংতম লাঞ্জং অসিদা শরুক য়ামিন্নরিবা ইরৈচাশিং, য়াওল্লোয় মরুপশিং অমসুং লাঞ্জং অসিগী থৌদাং পাঙথোক্লিবা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা মরুপশিং খুদিংমকপু ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়না পিএলএগী ৪৮ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা আরপিএফকী প্রসিদেন্ট এমএম ঙৌবনা পীরকপা য়াইফ পাউজেল অমদা হায়রি।

য়াইফ পাউজেল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মীখা পোল্লবা ইমা লৈবাক অমসুং মীয়ামগীদমক নীংতম লানগী য়াথং পাউজেল পুদুনা মীয়ামগী নীংতম লান্মী পিএলএ ১৯৭৮ কী সেপ্টেম্বর ২৫ দা শাফোঙখি। পাউজেল অসি পুদুনা মীয়াম অমসুং পিএলএনা হনবা লৈতনা য়েক্ল ...মখা লমায় ৬তা...

কুথি ইবা অমদি য়েংনবা এষ্ট্রো থেংগ্রা ১০.১ লোঞ্চ তৌখ্রে

ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা পাঞ্জিশিংসু থৌদাং লৌবিয়ুঃ রামেশ্বর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (এস এন এস)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ড (এল এস টি বি) গী খেনচঙলোন লোইশঙনা প্রোগ্রাম তৌদুনা অপোকলোন (কুথি) ইবা অমদি য়েংনবা সোফটৱেয়র 'এষ্ট্রো থেংগ্রা ১০.১' ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা খেনচঙলোন (পাঞ্জি)শিংনসু অঙম্বা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এসু অমদি এল এস টি বিগী অহানবা ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

খেনচঙলোন হৈবা মাইচৌ কোনোক থেংগ্রাবু নীংশিংদুনা এল এস টি বিগী খেনচঙলোন লোইশঙনা শীন্দুনা হয়িংখোঙবাল উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা ২শুবা খেনচঙলোন (পাঞ্জি)গী মরু হুনবা নুমিৎ থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুং লেনগী ৱারোল থল্লদুনা এম এল এ রামেশ্বরনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা ...মখা লমায় ৬তা...

কোসেমগী কন্ত্রোল্লরনা এগজামগী কনফিদেন্সিয়েল ঙাকপা ঙমদ্রেঃ ফেসোক

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন অসিবু ফুল ওথোরিটিদা কন্দক্ট তৌরিবা কোসেমগী কন্ত্রোল্লর ওফ এগজামিনেসননা ক্লাস এলেভেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজাম অসিগীদমক কনফিদেন্সিয়েল ঙাকপা ঙমদবসি লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি হায়না ফেসোক্কী সেক্রেটরি এজুকেসন এন্দ লাইব্রেরি কে এস ঐচ নাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মথং চহী ২০২৭ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস এলেভেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামিনেসন ...মখা লমায় ৬তা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

এডিটোরিয়েল

[illegible]

লাংবনগী ১৪ নি পানবা ইরাই, সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২৬

[illegible]

ইকায় ফিরুক খুম্না হায়দু ওইরে

তুংগী মীরোলগীদমক খন্থরগা ৱাখল তামিন্নরসি

লানগী থবক লোইশিন্নবা হোৎনমিন্নসি, লমন খুম্বগী ৱাখল্লোল হেক লৈরিবমখৈ লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক ৱাগনি। চহী ৪ ফাজিল্লক্লবা লাননা মরম ওইরগা খুন্নাই অসিগী শেনমিৎলোন খম থেংনা শোকচিনখিবগা লোয়ননা হীরম খুদিংদা মনিং হন্দুনা চৎপা হায়বদু ওইরে। লানগী চৈথেং মরক্তা নোংমগী তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং লৈবা ঙম্বগী থৌনা মাঙনরকপনা খুন্নাই অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াসু ঐখোয় পুন্নমক্কী মীৎমাংদা থোক্লরে। হিংনবগীদমক নুপী কয়ানা মপান থোক্লরক্তুনা থবক শুবা নোন্নরক্লিবা অসিবুদি ফৈ হায়না লৌরবসু লুরিবদি হিংনবগীদমক অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং লৈনবগীদমক চহী নৌরিবি নুপী কয়ানা মশাগী হকচাং ফাওবা য়োন্নরকপা অমদি নহা ওইরিবা নুপা কয়ানা অরানবা লম্বীদা খোঙ থাঙজিল্লকপা অসিনি। মসিদা নত্তনা মৌ নহা কয়াসু ইমুং-মনুং পুবা ঙন্নবগীদমক নৎতবা লমচৎ-শাজৎ চৎলকপা অমদি তৌহৈদবা থবক কয়া তৌরকপগী মমি খুন্নাই অসিদা চাউনা তারকখ্রে। ময়াই কাবা চিঙাক পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খোমগৎপসু ফাবসু নোংমা কাংদে। ময়াই কাবা চিঙাক ললোনবগী থবক হন্থরকপদি লায়রদনা হেনগৎলক্লি। লাইরিক লাইশু তমদুনা লৈগদবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া লৈত-লায়রবনা মরম ওইরগা লাইরিক তম্বা তোক্লদুনা হিংনবগীদমক অফং-অফংবা থবক মচা-মচা কয়া তৌনরকপা অসি খুন্নাই অসিগী ওইনা তুংদা চাউনা মাঙজবা শোয়দনা ওইরক্কনি। লৈবাক অসিগী য়াংলেন শরু ওইগদৌরিবা নহাশিংনা লাইরিক তম্বা তোকথোক্লরকপা হায়বসি য়াম্না নুংশা থিনিংঙাইনি। য়ূমথংনবা নাগালেন্দ ফাওবনা লিটরেসিদা মণিপুরদগী হেনখ্রে। হৌজিক্কী মতমদা ক্লাস টেন, টুয়েলভ অমদি গ্রেজ্যুএসন খক তল্লগা মতম অসিগী কম্পিটিসনদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা হেন্না লাইবক থিরিবদি পুন্না য়েংলুবদা অয়াম্বনা ক্লাস ১২ ফাওবদি তমনৈ। মদুগী মতুংদা গ্রেজ্যুএসন য়ৌরকপদা তঙ্খায় অমা লাইরিক তম্বা তোকখ্রগনি অদুগা এম এ য়ৌরকপদদি শরুক অনি-অহুম খক্তা ঙাইহৌরগনি। এম এ তন্নিংবা শেল পায়জদবা মহৈরোয় কয়াদি মপান দা চৎপসু ঙমদা, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিদা সিট মশিংসু য়ামদবা অমদি প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি অমা-অনি লৈরিবা অসিদসু এদমিসনগী ফী য়াম্বনা মরম ওইরগা লাইরিক তম্বা তোক্লখিবনা অয়াম্বনি। পূন্নমক অসি লমদম অসিগী শেনমিৎলোন খম থেংনা শোত্থরকপা অমদি শেল তান্নবগী লম্বী লৈশিল্লক্তবা অসিনা থোকহল্লকপা ঙাক্তনি। লান তৌরিবা মখৈ লমদম অসিদা অওনবা পুরকপা ৱাগনি। বন্দ, ব্লোকেদ অমদি টোটেল সটদাউন মশিং য়াম্না হেক তৌরিবা মখৈ হেন্না-হেন্না লমদম অসিদা অৱাবা মায়োক্লরক্কনি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াসু শোয়দনা থোক্লক্কনি। পূন্নমক অসিদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবগীদমক লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক ৱাখল তামিন্নবা অমা চঙই। দিমান্দ কয়া লৈরবসু বন্দ অমদি ব্লোকেদ নত্তবা লম্বী অমা শীজিন্নদুনা লৈঙাক্কা ৱারি শান্নদুনা দিমান্দ অদু ফংনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরগুম্না বন্দ, ব্লোকেদ অমদি টোটেল সটদাউননচিংবা তৌবা অতোপ্পা ষ্টেট অমত্তা লৈতে। মসিনা শোকহল্লিবা অসি ঐখোয়দনি, হৌজিক চত্থরিবা থৌওং ইশাগী খোঙদা থাংনা য়ানশিঞ্জবগা পাঞ্জকনি হায়বসি পূন্নমক্কা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু পূন্নমক খঙনা-খঙনা অদুমক লান তৌবা, বন্দ, ব্লোকেদ তৌবা লেপ্পা লৈত্রি। লাইরবা অমদি ইনাকখুনবা অনিগী মরক্তা লৈরিবা পল ৱাংখৎলক্লিবা মখৈ খুন্নাই অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া শোয়দনা থোক্লক্কনি হায়বসিমদি ঐখোয় পূন্নমক্কা নীংশিংমিন্নবা চুমগনি। মাঙবা য়াবা মাঙখ্রে, মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া নোঙ্গানখ্রে, চাওখৎপসু খম থেংনা থিন্থখ্রে, মালেমগী মীৎমাংদা মণিপুরীশিং ইকায় ফিরুক খুম্বা হায়বদু ওইরে। পূন্নমক কাউথোক্লদুনা হৌরক্লিবা লমদম অসিগী তুংগী মীরোলশিংগীদমক খন্থরগা ঐখোয় ৱাখল তামিন্নরসি অমদি লান লেপ্পসি। মদুনা লৈবাক অসিবু নুংশিবা শকপা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি।

দ গ্রেত ব্লফ-মাষ্টর

হাংব কুইদ্রিব কম্পনি অমগী তরু তরুব অনানব ওফিস কমপ্লেক্সনি। মমল য়াম্লব সোফ অমদি ফনিচর কয়ান লৈতেং। অনানব টেবল-চৌক্রি খরদুগী লৈতেং ওইন ফল্লিব নহাশিংদুসু মফি মরোল তনান তনান, স্মার্ট ওইব ষ্টাফ মাল্লি, মমাঙদ খিল্লিব কম্প্যুটরদুদ পূক্লিং লুপ্লম্মী, নুপা অম চঙলক্লিবদুদ এটেন্সন পীব শঙলমদে।'এক্সক্যুজ মি সার, এম দিগী কা অসিবু লোইফাত্রিঙৈ, মমায় থাঙ্গৎতন মখুৎ খুদোম্বিদু মথক্লোমদ থিনগৎলকই। ও, মথক্কী কাদ লৈ হায়রিমাল্লে খন্দুন কাচিন লোমদ লৈরিব সিরি থাক অদুদ কাখৎলক্লে। কনামত্ত লৈরমদে। পি এ, নত্রগ পি এস অমদি লৈফম থোকপনি, ৱাসরুমদগ চৎলমগদ্র খন্দুন দোর বেলদু নম্লুরে। অমুক অনীরক পাউখুম লাক্তে। অহুল্লক শুবদুদদি খুল্লক্লে য়েস! কম ইন। থোঙদু তপ্লপ হাংলগ চঙলক্লে। মিংশেলগুম্ন নাল্লব, কোইতক তৌব টেবলদুগী ময়ায়, অসোম ৱাংম অদুদ সুট-টাই থোল্লব কম্পনিদুগী মেনেজিং ডাইরেক্টর, লেন্দ-লাইন ফোন অদুদা খোন অদু কল্লপ কল্লপ ৱারী শাদুনা লৈরম্মী। অদুক চাউব বিজিনেস-দিল অমবু ইরায় লায়ন হেক্ত টর্মিনেট তৌবদি কদায়দগী য়াদগে, মদুগী কন্ট্রেক্ট অদু ফংন্নব হোৎনবদ ঐন তিংখ্রিব শেল অসি কয়ানো পুরা ক্রোর চামনি, কেন য়ু ইমাজিন। মহাক্কী মাঙদ ভিজিটর অম লেপ্তুন লৈরি হায়ব খঙদমখৈ মহাক্ল তেন্সন কারিবদু ক্রোর লিশিং অমা অনীগী থবক অমগ মরী লৈনব ৱা ওইবদুননি। ভিজিটরদুন শোয়দন খল্লমগনি, শাউফম থোক্তুন শাওরিবনি। মিনিট মরী মঙা শাউবমখৈ শাউরুরগ লোয়শিলমদাই অদুদা খঙদে, ঐগী শেলদি মাঙব য়ারোই,অদুক য়াল্লব শেনফমদো লম্বীদগী খুল্লকপ নত্তে, কন্ট্রেক্টতু টার্মিনেট তৌখ্রব, নুমিৎ মঙানিগী মনুংদ লুপ অমত্ত ৱাত্তন হনগদবনি হায়রগ ফোন রিসিভরদু মখোল থোক্ল থমখি।

চুরুত অম চল্লগ লৈথোরকপদ মমাঙমক্তদ ভিজিটর অম লেপ্লিবদু উরকই। হায়রকই, 'ওহ! আইম সোরি, তু থাউজন্দ ক্রোরগী কন্ট্রেক্ট অম লৌনবগী পীনখিব শেনফম অম, কন্ট্রেক্টতু অতোপ্পা মপানগী ফার্ম অমন মুনখিদৌরে হায়বগী ৱারীদুদ কোকসি সাইদৎখিদুন অদোম লাকপ খঙজহৌদ্রে, তাকপীয়ু, হ্বাৎ কেন আই দু ফোর য়ু?'

সার ঐদি ইচম চম্ন সারগী লেন্দ লাইন ফোন য়াখিদ্রে শেন্বীয়ু হায়দুন কমপ্লেন্ত তৌরকপদুদ ফোন শেন্ব লাকচবনি, ঐ বি এস এন এলগী মেকানিকনি।

ৱারীসিন পীবি পাউজেলসি অদোমগী নাক্তা য়ৌবিরকপ্র?

খঙই, শোয়দন য়ৌরক্লমগনি। থৌদোশিগ মান্নব অতোপ্প মখলগী এক্সপরিয়েন্স কয়া অম থেংনরকখ্রে পূন্সিসিদ। খুদক্ত মীন খঙগদব তাৎ। খুদক্ত মপুন ফাগদব হুরানব। করন্ব ইংরাজি ৱাহৈন নত্রগ ইরোলগী প্রমান পান্থেন ফোঙদোকপ য়াব করি লোন লৈবগে? লোন লায়রব কোকসিদগীদি থোক্তরে। হ্বাইট, গ্রে, ব্লেক অমদি রেদ মচু অহুমসিদ 'লায়' হায়বা ৱাহৈ অসি তপশিল্লগ ফোঙদোকপ ওইদব। নমথাক মখল মরিদুসু য়াওদে। মশাদ চেনফম থোকপ গুনদুদি চেন্দন মশাবু ক্বালিটি কয়ান লৈতেংব মীশক অমনি খঞ্জব ফোলস ইগো চাং হেন্ন য়াওব মীশক অমন মশাবু মীয়ামদ শক্তাক্লব হোৎনবগী টেক্নিক অমনি। সাইকিক ওইরব অনাব মখল অমনি। মহাক মশানদি খঙজদে। মহাক্ল তৌখিব তাৎ অদু মীন খঙলকপ মীকুপ্তা মহাক্কী কয়ামুক চাউব মাঙজব অম ওইদৌরিবনো? মহাকপু মীয়াম্ন 'ব্লফ-মাষ্টর' মিংথোনবীগনি হায়বসি মহাক খঙজদে।

অদুবু লুরিবদি ঙসি, ইন্দিয়াগী কোর্পোরেট ৱার্ল্ড অসিগী মকোক থংবদ লৈরিব কোর্পোরেট হাউস কয়াগী মপু অসিগুম্ব ব্লফম-মাষ্টর কয়ান ওইরম্ব অসিনি। নুংঙাইব মতমগী নিংথৌরেল (কিং ওফ গুদ টাইমস) হায়ন মিংথোনজব 'বিজয় মাল্য' মীয়াম্ন তুংশিঞ্জব বেঙ্ক দিপোজিটতগী ক্রোর ৯০০০ মৎলগ লন্দনদ নিংথৌগুম লেল্লি ঙসিসু। মহাক্কী মথক্ত ৱায়েন চত্থনব, ইন্দিয়াদ পুরক্লব লিগেল বেত্তল অম থেংনরিঙৈ, নিরব মোদি কৌব দাইমন্দ লল্লোনব হুরানব অমনসু সরকারন মপু ওইব বেঙ্কশিংদগী নমথাক তৌদুনা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ অমগসু মৎলগ লন্দনদ চেলহনখি।

সোরারেন

অচৌ অচৌব হুরানব, তাৎ হৈব ব্লফ-মাষ্টরশিংগ মরুপ ওইব গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টরশিংন মখোয়গী অরোনব সেয়র লৌহৌরগ লুৎ তৌবদ হেন্ন খুদোং চাহন্নব পব্লিক সেক্তরদ লৈরিব বেঙ্কশিংবু প্রাইবেটাইজেসন পোলিসি চৎনহল্লগ লন্নাই মীওইশিংদ য়োম্হোকখিনব থৌশিল য়াৎলক্লি। গভর্ণমেন্টকী ওফিসাশিংন মপু ওইব লোয়শঙ, ইন্সটিট্যুটসন পুন্নমক মঙম শান্দে, ইফিসিয়েন্ত ওইদে, পুকচেল শেংদে, মাঙনবগী মশক্তমক ওইরকই হায়বসি প্রজাশিংদ ফাওহল্লগ প্রাইভেতাইজেসনগী খোঙথাং সি অচুম্বনি থাজহন্নব হোৎনরকই। রোদ ত্রান্সপোর্ট, এয়রৱেজ অমদি রেলৱেজ পূন্নমকসিবু প্রাইবেট কম্পনিশিংদ য়োম্হোক্তুন চলাইহনগনি হায়ব ৱাখল পোক্লক্লিব গভর্ণমেন্টকী লো-মেকরশিং! কোল্লমসিগী খুত্থাঙদ পাউজেল অমত্তং পীনিংই। গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং, এজিক্যুটিভ ওফিসারশিং, প্রোফেসনেল অমদি স্কোলারশিং! মখোয় পূন্নমক মথৌ পাঙব ঙমদ্রব, মথৌ মঙম শান্দ্রব, শেঞ্জ-থুমজা তৌরব পুকচেল শেং দবমক্ত ঙায়রবদি মদুগী দাইত্ব কনাগীনো? মদু কনান থোকহনবনো? হু ৱিল বি হেল্ড রেস্পোসিবল ফোর ইত? মদু কনা নত্তে, লো মেকর। পোলিটিসিয়ন মিনিষ্টরশিং অসিনি। করপ্তেট ওফিসার শেমগৎপসু মখোয়নি। ইন-ইফিসিয়েন্দ ইমপ্লোয়ি ওইহনবসু মখোয়নি। চাওখৎ খোঙজেল থীন্থহনবসু মখোয়নি। ব্লফ-মাষ্টর-কোর্পোটেতর শেমগৎপসু মখোয়নি। য়োকখৎপসু মখোয়নি। খ্বাইদই চাউব ব্লফ-মাষ্টর, চিতরশিং দু মখোয়নি।

হৌজিক্তি অথৌব পূক্লিং (সার্প মাইন্দ) লৈগদব, ৱারেপ লৌব ঙমগদব (দিসিজন মেকিং হৈগদব) মীশক্তু ব্যুরোক্রেট। পোলিটিসিয়নশিংন ওইগদব নৎলমদ্রে। মীচম মীয়াম ঐখোয়ন ওইগদব ওইরল্লে। মখোয়বু মশক খঙব ঙম্ব পূক্লিং।

ৱাখল খনব হৈতব, দিসিজন লৌব ঙমদব মীতোপশিংদ তাংজব ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিং মতৌদুন মরম ওইদুন মশাগী মতীক মঙম মথৌ পুন্নমক লৌথোকপীখ্রব তুংশিদ লাইরিক হৈদৌ হৈরব, মতিক চাদৌ চারব, এদমিনিষ্ট্রেতর ময়ামদ এদমিনিষ্ট্রেসন শীন্নরুব- লোইরেদন হৌজিক্তি। বং চুরব কোকশিংদুন থমায়বিখ্রব এদমিনিষ্ট্রেতরশিংগী কোক হেন্ন চন্নফম লৈরমদ্রে। চন্নদ্রবশিংন লৈপাক ঙাক্লিব লৈপাক্তুগী চন্নদ্রব মীয়ামনি ঐখোয়।

> *গভর্ণমেন্টকী ওফিসরশিংন মপু ওইব লোয়শঙ, ইন্সটিট্যুটসন পুন্নমক মঙম শান্দে, ইফিসিয়েন্ত ওইদে, পুকচেল শেংদে, মাঙনবগী মশক্তমক ওইরকই হায়বসি প্রজাশিংদ ফাওহল্লগ প্রাইভেতাইজেসনগী খোঙথাংসি অচুম্বনি থাজহন্নব হোৎনরকই। রোদ ত্রান্সপোর্ট, এয়রৱেজ অমদি রেলৱেজ পূন্নমকসিবু প্রাইবেট কম্পনিশিংদ য়োম্হোক্তুন চলাইহনগনি হায়ব ৱাখল পোক্লক্লিব গভর্ণমেন্টকী লো-মেকরশিং! কোল্লমসিগী খুত্থাঙদ পাউজেল অমত্তং পীনিংই। গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং, এজিক্যুটিভ ওফিসারশিং, প্রোফেসনেল অমদি স্কোলারশিং! মখোয় পূন্নমক মথৌ পাঙব ঙমদ্রব, মথৌ মঙম শান্দ্রব, শেঞ্জ-থুমজা তৌরব পুকচেল শেং দবমক্ত ঙায়রবদি মদুগী দাইত্ব কনাগীনো? মদু কনান থোকহনবনো? হু ৱিল বি হেল্ড রেস্পোসিবল ফোর ইত? মনু কনা নত্তে, লো মেকর। পোলিটিসিয়ন মিনিষ্টরশিং অসিনি। করপ্তেট ওফিসার শেমগৎপসু মখোয়নি। ইন-ইফিসিয়েন্দ ইমপ্লোয়ি ওইহনবসু মখোয়নি। চাওখৎ খোঙজেল থীন্থহনবসু মখোয়নি। ব্লফ-মাষ্টর-কোর্পোটেতর শেমগৎপসু মখোয়নি। য়োকখৎপসু মখোয়নি। খ্বাইদই চাউব ব্লফ-মাষ্টর, চিতরশিংদু মখোয়নি।*

ওজা অমসুং ছাত্রশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরীদা টেক্নোলোজিনা হোংহল্লক্লিবা মশক

গোকুলচন্দ্র ঙাংবম

শিন্তাকপা নৎত্রগা শিন্তাক্লোই (ওজা) হায়রগা ঐখোয়না মহৈরোইশিংবু (ছাত্র) মহৈ লোয়শঙশিংদা লাইরিক লাইশু তাকপী তম্বিবখক্তা ওইবা হেক হেক উই। তশেংনা হায়বা তারবদি শিন্তাকপশিং অসি তুংগী লৈবাক অমগী, খুন্নাই অমগী মরাইবক শেন্বা কাঙবুনি। মখোয়না তুংগী য়ুম্বীরেল ওইহৌগদৌরিবা মহৈরোইশিংবু তাকপি তম্বি, ঙাকপি শেনবি, শেন্বী শাবি, মতেং পাংবি, পূক্লিং থৌগৎপি, থৌনা হাপ্পি, পাউতাক পীরি, অফবা ৱাখল খলহল্লি, অফবা লমচৎ শাজৎ শেমগৎলি। মতৌ অসুন্না তুংগী চঙ চঙ লাউবা য়ুম্বীরেলশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা পূক্লিং ৱাখল লূপ্পি। মহৈরোইশিংগা মতম চূপ্পদা নক্লবা মরী লৈনৈ। মহৈরোইশিংনসু মখোয়বু লুনা অমদি কিনা নীংজে। অসিগুম্বা মগুণশিং চেনবা শিন্তাকপশিং অদু অশেংবা শিন্তাকপনি। মখোয়দা মখোয়না তম্বিরিবা হীরম অদুগী মতীক চাবা লৌশিং লৈ। অদুগা মখা তাবা অহেনবা লৌশিংসু লাইরিক পাদুনা অমসুং অতোপ্পশিংগা তান্নদুনা তানশিনবা লেপ্তে। মহৈরোইশিংদা চেল্লিবা তোঙান তোঙানবা মগুণশিং খঙবা ঙমই। থম্মোয় শেংবা, থকশি খাশী ঙাকপা, অচুম্বা চৎপনা মখোয়বু মশক তাকই। মীচঙ মীখায় নাইদনা মহৈরোইশিংবু মচাদা মচাগুম লোইনৈ। কত্থোকপগী পুকচেল চেল্লি। শিনফম অসি লৈরিবা শিনফম খূদিংদগী খ্বাইদগী হেন্না ফজবা, মগুণ লৈবা, মরু ওইবা শিনফম্নি।

মহৈরোই হায়রগা মহৈলোয়শঙশিংদা চত্তুনা মহৈ তম্লিবা অমদি অতৈ মফমশিংদা শিনফমশিং তম্লিবা পূন্নমকপু খঙনৈ। উ শূবা তম্লিবা, চেক শূবা তম্লিবা, শক ককপা তম্লিবা, চান-থক্লবা শেম শাবা তম্লিবা খূদিংমক মহৈরোই ঙাক্তনি। অশেংবা মহৈরোই অমনা মহৈ তম্নিংবগী, খঙনিংবগী, হৈনিংবগী, অহেনবা লৌশিং তানশিন্নিংবগী ঈখৌ লাংবা অপাম্বশিংদু থকশি খাশি অমদি নোল্লুকপগা লোয়ননা মাবু তাকপি তম্বিরিবা শিন্তাক্লোইশিংদগী খঙহৌনবা হৈহৌনবা হোৎনৈ। মমাংঙৈগী মহৈরোইশিং অমদি ঙসিগী মহৈরোইশিংগী মরক্তা অচৌবা অহোংবা অমদি লৈরে। মমাংঙৈগী মতমদা লৈবাক অসিদা গুরু-শিষ্য পরম্পরাদা গুরু অমসুং শিষ্য অনীগী মরক্তা লৈরম্বা ফজরবা থকশি-খাশি, নোল্লুকপা, হায়বা ইনবা, হোৎনবা কনবদা য়ুম্ফম ওইবা মরী লৈরমই। ওল্লকপা মতমগী মতুং ইন্না ঙসিদি মহৈরোইশিংদা স্কুল, কোলেজ, ইন্টরনেট, স্মার্ট ফোন, এ আইগী খুদোংচাবা কয়া ফংনরে। মসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোইশিংনা মখোয়বু তাকপি তম্বিরিবা শিন্তাকপশিংগা মমাংঙৈদা নকশিন্নরম্বদু খরা লাপথোক্লরকপগুম তৌনা উরে। মমাংঙৈদা শিন্তাকপশিংবু থকশি খাশি, নোল্লুকপা, হায়বা ইনবগা লোয়ননা লোয়নরম্বদু ঙসিগী মহৈরোইশিংগী মফমদদি খরা হন্থবা উরে।

শিন্তাকপা অমসুং মহৈরোইশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি মহৈ মশিন তম্বগী হীরমদদি তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরীনি। শিন্তাকপশিংনা মহৈ মশিন তাকপিবা অমসুং তম্বিবা অমদি মহৈরোইশিংনা তাকপি তম্বিরিবশিং অদুবু খঙজিন্নবা লৌশিং ফংহৌনবা হোৎনবগী মথক্তা থম্মোয়গী ওইবা তুং কোইবা মরী অমনি। শিন্তাক্লিবা মহাক অদুনা মাগী মহৈরোইশিংগী তৌবা ঙম্বা মগুণ, হৈথোই শীংথোইবা হীরম, লমচৎ শাজৎ, ৱাঙাং শাঙাং, ৱাখল পূক্লীং খঙনা লোইনবা ঙমই অমসুং মদুগী মতুং ইন্না মখোয়বু লমজিংই। তম্লিবা লাইরিক অদুতা নত্তনা অতোপ্পা হীরম কয়াদসু ৱাখল লৌশিং ওইবা য়াবা কয়া তাকপি তম্বি, ৱারী ওইনা লীবি, মতাঙ চারবদি উদুনসু খঙহল্লি। শন্না হায়রবদা মানা খঙজবা পূম্বা অখাকপা লৈতনা মাগী মহৈরোইশিংদা পীথোকই, তাকপি তম্বি। অমরোমদা মহৈরোইশিংনসু শিন্তাকপশিংনা তাকপি তম্বিরিবশিংদসু নোল্লুকপা, থকশি খাশিগা লোয়ননা লৌশিং লৈহৌনবা হোৎনৈ, থৱায় য়াওনা তাই, মদুনা মরম ওইদুনা তুংদা অফবা মতীক চাবা মীওই অমমম ওইরকপা ঙমই। অসুন্না মতীক চারবা মহৈরোইশিংনা তুংদা য়ুম্বীরোলশিং ওইরক্তুনা খুলিংবা খুন্নাই অদু চাউখৎ লম্বীদা লেপ্পা লৈতনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমই।

ঙসিগী টেক্নোলোজিগী মতম অসিদদি শিন্তাকপশিং অমদি মহৈরোইশিং অসিদি মমাংঙৈগী ওইরম্বা ফিভম অদুগা য়েংনবদা খেন্নবা কয়া উবা ফংলে। হৌজিক্কী শিন্তাকপশিংদি মহৌশাগী মতৌগুম মখোয়না খঙজবা হৈজবা পূন্নমক মহৈরোইশিংদা খঙহন্নবা হৈহন্নবা তাকপিবা অদুগী মহুৎতা মহৈরোইশিংবু খঙ-হৈননবা লমজিংবিবা, পাউতাক পীবিবা, মতেং পাংবিবা ওইনা তৌরে। হৌজিক্কী মতমগী শিন্তাকপশিংদি দিজিটেল টেক্নোলোজিগী লৌশিং মতীক চানা লৈতবা য়াদ্রে। লাইরিক্তা ফংবা লৌশিংগী মথক্তা খুদক খুদক্কী ওইনা খঙদবা য়াদবা মতাং য়াওরকপদা ইন্টর্নেট, এ, আই, খঙদবা অমদি শীজিন্নবা হৈতবা য়ারক্ত্রে। মতমগী মতুং ইন্না মহৈরোইশিংদা টেক্নোলোজিগী লৌশিং তম্বিদবা য়ারক্ত্রে। মরম অদুনা হৌজিক্কী শিন্তাকপশিং মমাংঙৈগী শিন্তাকপশিংদগী হেন্না হৈ শিংবা, হোৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ। মসি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা অমসুং লন্নাইগী মহৈ লোয়শঙ খূদিংমক্তা হৌজিক্কী মতমদা কক্লিংঙাই লৈতনা চুম্লবা ৱাফম্নি। অদুবু মসিগী মগুণ অসি শিন্তাক্লিবশিংদা লোইনমক লৈরব্রা হায়বদুদি অচৌবা ৱাহং অমা অদুমক ওইরি। লন্নাইগী মহৈ লোয়শঙশিংগীদি খরা ফরি, অদুবু লৈঙাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদদি চৎনরিবা থবক লৌবগী মওং মতৌসিগা য়েংলুবদা থাজবা য়াম্না ৱাৎলি।

অমরোমদা ঙসিগী মহৈরোইশিং মমাংঙৈগী মতৌগুম্না মখোয়বু তাকপি তম্বীরিবশিংনা তাকপি তম্বীবদুতমক পূক্লিং চঙনা থৱায় য়াওনা তাদুনা লৈবা মহৈরোইশিংদু ওইদ্রে। মখোয়গী মমাঙদা লৌশিং ফংবা য়াবা অতৈ পাম্বৈ কয়া তাদুনা লৈরবনিনা শিন্তাকপশিংবু কা হেন্না লুনা নেলৌনরক্তবা থেংনরে। মহৈ লোয়শঙশিংদা ফংলকপা লৌশিংবুদি ইন্টর্নেটতগী, এ, আইদগী ফংলকপা লৌশিংনা হেন্না পূক্লিং লুপশিনবা ৱাৎলকপা, ক্লাস মনুংদা ফোন পুশিল্লক্তুনা ময়ামদা অকায়বা পীবা, মহৈলোয়শঙগী অমসুং খুন্নাই, লৈকাইগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবগী চাং হন্থরকপা, মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শানবগী চাং হন্থরকপা, মহৌশাগুম শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবগী চাং হন্থরকপা, লাইরিক্তুগী ফংবা লৌশিংগী মহুত্তা খুদক খুদক্তা ওনলাইন্দগী ফংবা লৌশিংনা হেন্না পান্নরকপা, খঙদবা হীরম অমগীদমক শিন্তাকপশিংদা হংবগী মথৌ তারক্তবা কয়া অসিনা মহৈরোইশিং অমসুং মখোয়বু তাকপি তম্বিরিবা শিন্তাকপশিংগা অনীগী মরক্তা লৈনবা মরীদা অহোবা অমা চাউনা লাকহল্লি। লোয়ননা মহৈরোইশিংবু পাউতাক পীবিনবা, মহৈ মশিন তম্বিনবা লৈরিবা শিন্তাকপশিংদসু মখোয় মখোয়গী শিনফমদা হৈনিংবা মাঙলকপা ফাওহল্লকই। মহৈরোইশিংনা থৱায় য়াওবা উজরগা পেঞ্জরিবা শিন্তাকপশিংগী থম্মোয়নি। অদুবু মহৈরোইশিংনা শিন্তাকপশিং অসিদগী হেন্না দিজিটেল টেক্নোলোজিরোমদা মায় ওনশিনখিবসিনা মখোয়দা নীংহন্নবা পোকহন্দবা নত্তে। এ, আই লাকপদগী ফিভম অসি শোকচিনবা অমুক্কা হেনগৎহল্লক্লি। মহৈরোইশিংগীদমক্তদি এ, আই লাকপদগী মহৈ তম্বদা ইৱা ৱানদ্রে। ৱাহংশিংগী পাউখুম, প্রোজেক্ট ৱার্ককী রিপোর্ট শেম শাবা, অঙ্ক হোৎপগী অৱাবা পূন্নমক এ, আইনা মহুৎ শিনখ্রে। মসিনা মহৈরোইশিংগী ৱাখল খনবগী চাং য়াম্না হন্থহন্দুনা মনুং ইহাম হাম্বা মীশক অমা ওইহনবদা মতেং পাংই। মহৈরোইশিংনা এ, আই শীজিন্নবা শুংফৎ ফত্তে হায়বদি নত্তে, অদুবু মথক থোংবা শিন্তাকপশিং অমদি মপা-মমাশিংগী মীৎয়েং মখাদা শীজিন্নহন্নিংই। অনৌবা টেক্নোলোজিশিং অসিনা শিন্তাকপশিং অমদি মহৈরোইশংগী মরক্তা চিংহন্নিংদবা লৈই অমা তপ্না তপ্না চিংশিল্লকপগুম তৌরি। শিন্তাক্লিবশিংগী মরক্তসু থাগী তলবতমক খনবা, অঙাংশিং লোয়নবা হৈতবা, মবূক্লিং ফাথবা ঙমদবা, পুকচেল পীকপা, মনীং থোঙদগী থবক চঙলকপা শিন্তাকপা অমা ওইবদা মতীক চাদবা কয়া য়াওদবা নত্তে। মখোয়না মহৈ মশিন তম্বগী মমল অমদি মরু ওইবা খঙদে। পুকচেল শেংনা শিন্তাকপা ওইজবা, শিনফম অসিবু পান্না চঙজরকপা কয়াবুসু অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা চেন্থহল্লি। মহৈরোইশিংগী মরক্তসু মহৈ মশিন তম্বদা মথৱায় য়াওদবা, মথোঙ হুক্তবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়না শিন্তাকপা অমদি মহৈরোইসিংগী ফজখ্রবা মরীবু মশক থীহল্লি। ঙসিগী মহৈরোইশিংদা থকশি খাশি ৱাৎপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লিবসি অফবা খুদম নত্তে। য়ুমগী অহল লমনশিংনসু মচা মশুশিংগী লমচৎ শাজৎ, থকশি খাশি কূপ্পা য়েংশিনবা চঙই। মচা মশুশিংনা থকশি খাশি ৱাৎলকপা, ঙাওশিন্নরকপা, মথোঙ হুক্তবা থবক তৌরকপা হায়বসি ইমুং মনুংগীসু মখা য়াম্না পোল্লি।

> *মহৈরোইশিংনা শিন্তাকপশিং অসিদগী হেন্না দিজিটেল টেক্নোলোজিরোমদা মায় ওনশিনখিবসিনা মখোয়দা নীংহন্নবা পোকহন্দবা নত্তে। এ, আই লাকপদগী ফিভম অসি শোকচিনবা অমুক্কা হেনগৎহল্লক্লি। মহৈরোইশিংগীদমক্তদি এ, আই লাকপদগী মহৈ তম্বদা ইৱা ৱানদ্রে। ৱাহংশিংগী পাউখুম, প্রোজেক্ট ৱার্ককী রিপোর্ট শেম শাবা, অঙ্ক হোৎপগী অৱাবা পূন্নমক এ, আইনা মহুৎ শিনখ্রে। মসিনা মহৈরোইশিংগী ৱাখল খনবগী চাং য়াম্না হন্থহন্দুনা মনুং ইহাম হাম্বা মীশক অমা ওইহনবদা মতেং পাংই। মহৈরোইশিংনা এ, আই শীজিন্নবা শুংফৎ ফত্তে হায়বদি নত্তে, অদুবু মথক থোংবা শিন্তাকপশিং অমদি মপা-মমাশিংগী মীৎয়েং মখাদা শীজিন্নহন্নিংই। অনৌবা টেক্নোলোজিশিং অসিনা শিন্তাকপশিং অমদি মহৈরোইশংগী মরক্তা চিংহন্নিংদবা লৈই অমা তপ্না তপ্না চিংশিল্লকপগুম তৌরি। শিন্তাক্লিবশিংগী মরক্তসু থাগী তলবতমক খনবা, অঙাংশিং লোয়নবা হৈতবা, মবূক্লিং ফাথবা ঙমদবা, পুকচেল পীকপা, মনীং থোঙদগী থবক চঙলকপা শিন্তাকপা অমা ওইবদা মতীক চাদবা কয়া য়াওদবা নত্তে। মখোয়না মহৈ মশিন তম্বগী মমল অমদি মরু ওইবা খঙদে। পুকচেল শেংনা শিন্তাকপা ওইজবা, শিনফম অসিবু পান্না চঙজরকপা কয়াবুসু অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা চেন্থহল্লি। মহৈরোইশিংগী মরক্তসু মহৈ মশিন তম্বদা মথৱায় য়াওদবা, মথোঙ হুক্তবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। মখোয়না শিন্তাকপা অমদি মহৈরোইসিংগী ফজখ্রবা মরীবু মশক থীহল্লি। ঙসিগী মহৈরোইশিংদা থকশি খাশি ৱাৎপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লিবসি অফবা খুদম নত্তে। য়ুমগী অহল লমনশিংনসু মচা মশুশিংগী লমচৎ শাজৎ, থকশি খাশি কূপ্পা য়েংশিনবা চঙই। মচা মশুশিংনা থকশি খাশি ৱাৎলকপা, ঙাওশিন্নরকপা, মথোঙ হুক্তবা থবক তৌরকপা হায়বসি ইমুং মনুংগীসু মখা য়াম্না পোল্লি।*

পান্না লৌনরক্লে। মসিগী চৎনবী অসি স্মার্টফোন থোরকপদগী লাকখিবনি। হেন্না ইনোৎ হাপখিবনা কোভিদ লাইচৎকী মতমদা মহৈলোয়শঙশিং থোঙ হাংবা য়াদবনা মহৈরোইশিংদা ওনলাইন ক্লাসকী খুদোংচাবা ফংহনখিবা অদুদগীনি। মসিনা মহৈরোইশিংগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওদোক্লবা য়াবা, গেম মখল কয়া শান্নবা ফংবা, সোসিয়েল মেদিয়া অমদি অতৈ মিৎকী কুম্হৈ কয়া য়েংবগী খুদোং চাবা ফংলকপা, খঙনিংবা হীরম অমা হেক্তা ওনলাইন্দগী খঙবা ঙম্লকপা পূন্নমক অসিনা মহৈ মশিন তম্বদা থৱায় য়াওবা ৱাৎলকপা, পূক্লিং লুপশিনবা ৱাৎলকপা, ক্লাস মনুংদা ফোন পুশিল্লক্তুনা ময়ামদা অকায়বা পীবা, মহৈলোয়শঙগী অমসুং খুন্নাই, লৈকাইগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবগী চাং হন্থরকপা, মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শানবগী চাং হন্থরকপা, মহৌশাগুম শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওবগী চাং হন্থরকপা, লাইরিক্তুগী ফংবা লৌশিংগী মহুত্তা খুদক খুদক্তা ওনলাইন্দগী ফংবা লৌশিংনা হেন্না পান্নরকপা, খঙদবা হীরম অমগীদমক শিন্তাকপশিংদা হংবগী মথৌ তারক্তবা কয়া অসিনা মহৈরোইশিং অমসুং মখোয়বু তাকপি তম্বিরিবা শিন্তাকপশিংগা অনীগী মরক্তা লৈনবা মরীদা অহোবা অমা চাউনা লাকহল্লি।

শিন্তাকপশিং অমদি মহৈরোইশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি অমগা অমগা মতেং পাংমিন্নবগী মীওইবা মশেলগী মরক্তা লৈনবা মরী অমনি। মরী অসি থকশি খাশি, থাজবা অমদি নুংশিনবদা য়ুম্ফম ওইবা মরীনি। মরী অসিনা ফরিবমখৈ অফবা মতীক চাবা মহৈরোইশিং পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি। মরী অসি মহৌশাগুম ফনা লৈহন্নবগীদমক হৌজিক্কী শিন্তাকপশিং মানা মানা তাকপি তম্বিরিবা সবজেক্টশিং অদুগী মরমদা কূপ্পা খঙবা হৈবতা নত্তনা মহৈরোইশিংগা চূনবা মওংদা তাকপি তম্বিবা, মহৈরোইশিংগী পূক্লিং ৱাখল অমদি অপাম্বা খঙবিবা, অনৌবা দিজিটেল টেক্নোলোজিশিং খঙজিনবা অমদি খূৎলাইনা শীজিন্নবা হৈবা, মহৈরোইশিংবু নুংশিনা অমদি থকশি খাশি খঙনা লোয়নবা, মহৈরোইশিংগা পাউ ফাওদোক্লবা ঙম্বা, লুচিংবা অমগী মগুণ চেনবা তঙাই ফদে। মহৈরোইশিংসু শিন্তাকপশিংগী পাউতাক অমদি মখোয়গী লমজিং য়াওদনা টেক্নোলোজিদগী খঙনিংবা খঙবা ফংবদুখক্তনা মখোয়বু মপূং ফাবা মী অমা ওইহনবা ঙম্লোই হায়বসি খঙগদবনি। শিন্তাকপশিংগী কত্থোকপবু মহুৎ শিনবা ঙমগদবা পোৎশক অমত্তা লৈতে। টেক্নোলোজিনা শিন্তাকপশিংগী মহুৎ শিনবা খক য়ারোই। টেক্নোলোজিদি শিন্তাকপা অমদি মহৈরোইশিংগী লৈনরিবা মরীদা মতেং পাংনবা পোৎশক অমা ওইনা লৈহনসি। শিন্তাকপশিংনসু মহৈরোইশিংবু লাইরিক্তমক তম্বিবগী মহুত্তা তুংগী চঙ চঙ লাউবা মীওইশিং ওইহনবরোমদা পূক্লিং চঙশিনবিয়ু। লৈবাক অসিনা খুন্নাই অসিনা অফবা কত্থোকপা ঙম্বা শিন্তাকপশিংগী তঙাইফদবা য়াম্না লৈ। মহৈরোইশিংবুসু অফবা অশেংবা মহৈরোই অমমম ওইবগী মথৌ তাই।

মণিপুর ষ্টেট ফার্মাসি কাউন্সিলনা ঙসি ৱার্ল্ড ফার্মাসিস দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এসএনএস)ঃ
ফার্মাসিনা শিনফম ওইবা ফার্মাসিসশিংনা হেল্ঠ ক্যারগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা সেপ্তেম্বর ২৫ বু ৱার্ল্ড ফার্মাসিস দে হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

থৌরম অসি ফার্মাসি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই)গী লিচিং মখাদা মণিপুর ষ্টেট ফার্মাসি কাউন্সিলনা শীন্দুনা মাঙজিন থানা হোৎনবা ঙন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন্দা থৌরম পাঙথোকমিন্নগদৌরি।

মণিপুর ষ্টেট ফার্মাসি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট রাজকুমার বাসুমনি সিংহনা থৌরমসিগা মরী লৈননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফার্মাসিশিংনা হিদাক লাংথকশিং পীবদা চপ চাবা মচল শুবা হিদাক শীজিন্নহন্নবা হোৎনবা, অনাবশিংদা মতম চানা হিদাক চাবা অমদি শীজিন্নবগী কান্নবশিং খঙহনবা, হিদাক অদুদগী থোরকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোক্লবা অমদি হকচাং ফনা থম্বদা নত্তনা মখল মখা কয়াগী লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা চঙনা থৌদাং লৌরি। অসিদসু নত্তনা কম্যুনিটি ফার্মাসিশিংদা, রিছার্স ইন্সটিট্যুসনশিংদা অমদি রিগুলেটরি ওর্গনাইজেসন অমসুং হেল্ঠ ক্যার শেমগৎ শাগৎপদসু চঙনা থৌদাং লৌরিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হন্দক চহীগী ওইনা ইম্পৱারিং ফার্মাসিস ফোর হেলদিয়ার ফ্যুচর হায়বা থিম অসি চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্টরনেস্নেল ফার্মাসিটিকেল ফেদরেসনন লাওথোকখিবনি। অসিদসু নত্তনা ফার্মাসিসশিংনা লায়না তিন্না কয়ামরুমদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা থৌদাংশিংগা লোয়নননা হেল্ঠ ক্যার সিস্টেমবু নীংথিনা ঙাক্তুনা থম্বা ঙন্নবগীদমক লৌরিবা থৌদাং কয়াসু নীংথিনা খঙমিন্ননবা হোৎনবনি।

থৌরম অসিনা ফার্মাসিশিংনা হেল্ঠ ক্যারগী লমদা অনাবা কয়ামরুম শোয়দ-ঙামদনবা অমদি নীংথিনা শেন্নবগী লৌরিবা থৌদাংগীদমক শকখঙবিবা, মীচম মীয়ামদা মখল মখা কয়াগী এৱার্নেস পীবা, নিয়ম কায়না এন্টিবাইওটিক অমসুং এন্টিমাইক্রোবেল হিদাক শীজিন্নবদগী হকচাংদা ওইরক্কদবা অমদি ওইরক্লিবা মাঙজবশিং মতৌ করন্না ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবা, মতৌ করন্না অনাবশিংদা মচল শুবা অফবা হিদাক লাংথক অথুবা মতমদা ফংহন্নবা হোৎনবা, ফার্মাসিগী শিনফমদা লৈরিবশিং মখা তাবা মহৈ মশিন তম্বদা ট্রেনিং অমদি শিনফম অদু চাউখৎনবা হোৎনরিবশিংদগী হৈথোই শিংথোইবা অদু পূক্নিং থৌগৎপিবা অমসুং মীচম মীয়াম নাদ-য়েক্তনা তিঞ্জং কায়জংদনা থন্নবা লায়না তিন্না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবা হেল্ঠ এৱার্নেস পীবগী লৌরিবা থৌদাংবুসু নৌহৌননা নীংশিংখি।

চান্দেলদা লমলক্কী শা উচেক হাৎপা য়োনবা থিংনবা ওপরেসন থন্দর চথখ্রে

চান্দেল, সেপ্তেম্বর ২৪ (এসএনএস)ঃ
দি এফ ও চান্দেল দা. এন মুনাল মৈতৈগী মীৎয়েং মখাদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার এন দিপানা লুচিংদুনা চান্দেল পুলিসকা লোয়নননা লমলক্কী শা-উচেক হাৎপা, য়োনবা থিংনবগী পান্দমদা ওপরেসন থন্দরগী মখাদা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ১০ দা চথখিবা ওপরেসন থন্দরগা মরী লৈননা ডা. এন মুনাল মৈতৈনা হায়, হন্দক চহীগী ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ৱাইল্ড লাইফ ক্রাইম কন্ট্রোল ব্যুরোনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা শা উচেকশিং হাৎপা, য়োনবা অমসুং লল্লোনবনচিংবা মফমশিংদা ওপরেসন থন্দরগী মখাদা থিবা হুন্বগী থবক চথখিবনি।

চান্দেল পুলিসকী মতেংগা লোয়নননা ঙসি থিব-হুন্বগী থবক্তা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাবা নৎত্রগা শা উচেকশিং য়োনবা থেংনখিদে।

মহাক্না মখা তানা হায়, লাক্লিবা ওক্তোবর ২ দগী ৮ ফাওবা চথগদৌরিবা ৱাইল্ডলাইফ চয়োল থৌরমগী মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা সব দিভিজনশিং হায়বদি চকপিকারোং, খেংজোই নচিংবা মফমশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী মতেংগা লোয়নননা ওপরেসন থন্দর লেপ্পা লৈতনা চথখিগনি।

লৈবাক অসিগী ওইনা লমলক্কী শা উচেক ঙাক শেন্নবগীদমক লো অমদি রুলস কয়া লৈরবসু মীয়ান্না ঙাক্না চৎত্রবদি পূন্নমক অরেম্বনি। মরম অসিনা শা উচেক হাৎপা অমদি য়োনবগী থবক তৌবিগনু। মালেমসি মখোয়গীসু শরুক য়াওরিবনি। ঐখোয় পূন্না হোৎনদুনা লমলক্কী শা উচেকশিংবু কনসি অমসুং ঙাক শেনসি হায়না দি এফ ও চান্দেলনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

রঞ্জিৎ রমনিগী ৱারী

রঞ্জিৎ অমসুং রমনি সহরগী ফ্লেৎ অমদা লৈরগা য়ুম পাল্লম্মী। রঞ্জিৎ কম্পনি অমদা থবক তৌই। মহাক্কী নুপী রমনিনা য়ুম পুই। রঞ্জিৎ থবক য়াম্না চিল্লি, ৱাসু য়াম্না ৱাই অয়ুক্তগী নুমিদাং ফাওবা। মহাক্না থবক লোইরগা নুমিৎ খুদিংগী লাই খুরুম্মী, ‘হে ঈশ্বর ঐ য়াম্না ৱারে, ঐগা ঐগী নুপীগা অমুক্তা ওন্থোক্নবিয়ুবা, ঐ য়ুম পুজরগে মানা ওফিস্তা চৎহনবিরো।’ রঞ্জিৎকী বোর খুৎনিদুদা ঈশ্বর য়াম্না নোক্নিংলে। মতৌ য়েংগে খল্লদুনা নোংমদি বর পীবিরে, ‘নঙনা নীংবা থুংজরো।’

নোংঙানবদা রঞ্জিৎ রমনি ওইরল্লে। হেক হৌগৎপগা মহাক্কী নুপা অমসুং মচাশিংগী ব্রেকফাষ্টকী থোং-থাক্লে। হেক লোইবগা মহাক্কী নুপানা ওফিস্তা লঞ্চ পেক শেল্লে। মহাক্কী নুপা হেক চৎখিবগা মচাশিং স্কুলদা অমুক থিল্লুরে। খুদক্তা হল্লক্লগা কোল্লিক-ৱাইরম লোইশিল্লগা ফমুং ফানুং লোইশিল্লে। ফিরোল অমোৎ-অকায় থিদোক্তুনা শুদোক-চামথোক্লে। নুংথিল অঙাং লৌবা মতম ওইদুনা স্কুলদৈ অঙাং অমুক লৌরুরে। মচাশিংগী স্কুল হল্লকপৈ চান-থক্লবা শেম শাদুনা পিজ-পিথক তৌরে। অঙাংশিংগী স্কুলগী হোম ৱার্ক পীরকপা চেক তৌদুনা ঙৈহাক লাইরিক তৌমিন্নরে। নুমিদাং ওইশিল্লক্তুনা য়েনশাং-নাপী শেমদুনা নুমিদাংগী চাক্লেন শেম শারগা মচাশিং পীজদুনা ফম্মুংদা শুমজিনবিরিঙৈদো মহাক্কী নুপা ওফিসতগী হল্লক্লে। খুদক্তা মহাক্কী নুপাগী চান-থক্লবা লাঙদুনা অমুক পীজরগা মহাকসু চাথোক্লে। চাকচা তোল্লগা মহাক্কী নুপানা তি ভি য়েংদুনা লৈরিঙৈদো চাখি-থকখিবা ময়াম অদু লোইশিন খোমজিল্লগা কোল্লিক ৱাইরম লোইশিনবা মতমদদি ৱাবনা তপ তারে। ঙৈহাক্তং পোত্থাবা ওইনা ফমুংদা হেক হিপথবগা মহাক্কী নুপা অদু অমুক মনাক্তা হিপ্লরে। উপাই লৈত্রে।

রঞ্জিৎ রমনি ওইনিংদ্রে। ঈশ্বর খুরুম্বা অমুক হৌরে, ‘ঈশ্বর ইবুংঙো ঐহাকপু হান্নগী অদুগুম রঞ্জিৎ ওইহনবিরো।’ ঈশ্বরনা মোমোন নোক্লগা হায়রকই খুদক্তা ওনবা য়াররোই থা তরা ঙাইবা তাই। ঙরাংদৈ নহাক মীরোল্লে। তাঞ্জাদুদা রঞ্জিৎ মীৎকপ খঙথোক থোক্লম্মী।

নুপা নুপী য়ুম্বানমিন্নবদা অমনা হেন্না ৱাই অমনা হেন্না নুংঙাই হায়না খন্নবগী মহুত্তা অমগা অমগা অঙম অঙম্বা মতেং পাংনদুনা লৈমিন্নবনা তঙদু লৈতাবা, নুংঙাইবা য়ুম্বাল ওইগনি। অমনা অমদগী হেল্লি খনবা হৌনদে।

লাংবন হৈশোই তম্বদা শরুক য়াবিয়ু

মোইরাং, সেপ্তেম্বর ২৪ (এসএনএস)ঃ
কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা মণিপুর থুগায়নবা অমসুং য়ৈলহৌমী মীয়ামদা চথরক্লিবা লান অসিদা ঐখোয়গী ঙমখৈ কায়দনবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন হৈশোই অমদি হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়ান্না শরুক য়াবিয়ু হায়না মম্পিল, কেমকল অমসুং অনুল মোইরাং ব্রাঞ্চনা আপিল তৌরক্লি।

থৌরম অসিগী শেম শাবা ওইনা মোইরাংগী ওবিদাক পাৎ মপান শেংদোকপগা মরী লৈননা মোইরাং অপূনবা মৈরা পায়বী ইমা লূপ (মম্পিল)গী প্রসিদেন্ট কে পদ্মবতিনা ফোঙদোকখিবদি চহী খূদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা অথৌবশিংদা লাংবন হৈশোই অমদি হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম কুমসিসু লাংবন পূর্ণিমা নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়দনবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং, সি এস ও, ক্লব ওর্গনাইজেসন অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াবিয়ু। ঙসিগী লমতু শেংদোকপা অদুদা অনুল মোইরাং ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট সলাম মনিতোম্বী, কেমকলগী সেক্রেটরী এল বোই, মম্পিলগী সেক্রেটরী এন থাবা অমদি লূপ অহুম অসিগী মেম্বর কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

হৈরোক্তা জননেতা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ২৪ (এসএনএস)ঃ ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি হৈরোক্না শীন্দুনা ১৩০ শুবা জননেতা হিজম ইরাবত নীংশিং থাবুম থৌরম ঙসি হৈরোক পার্ট টু মনিং লৈকাই লাইময়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

নৌনা শাবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মিতম মায়খুম হাংদোকপগা লোয়নননা মাস পাসকী কন্টিঞ্জেন্ট ১৬ না সেল্যুট পীখি। থৌরম অদুদা সি পি আই লুচিংবা ডা. এম নরানা অথোইবা মীথুং, ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরী অথোকপম নবকুমার সিংহ, মাক্সিস থিওরিটিকেল এল থোইরেল সিংহ, এ আই টি য়ু সি মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট সোরোজিনি সঞ্জেম্বম, হৈরোক পার্ট টুদগী নিংথৌজম লোকেন্দ্রো সিংহ অমদি লাইশ্রম কৃনাদাস সিংহ, সলুংফমদগী পেবম লোখোন সিংহ, হৈরোক পার্ট থ্রিদগী ওক্রম বিরমঙ্গোল সিংহ, হৈরোক থ্রি জি পিগী চিয়ারপার্সন নিংথৌজম তাংবা, হৈরোক পার্ট ৱান জি পিগী চিয়ারপার্সন লাইশ্রম গোজেন সিংহ, হৈরোক পার্ট টু জি পিগী চিয়ারপার্সন মোইরাংথেম মঙলেম, হৈরোক পার্ট ৱানদগী মোইরাংথেম রাজমনি সিংহ অমদি হৈরোক পার্ট তুদগী থোকচোম রনবির সিংহনা মথংশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মাস পাসতা ইষ্টর্ন পোপুলর ইংলিস হায়স্কুলগী গার্ল কন্টিঞ্জেন্টনা অহানবা, স্কুল অসিগী বোইজ কন্টিঞ্জেন্টনা অনীশুবা অমদি টিম্বরলাইফ পব্লিক স্কুলনা অহুমশুবা তাখ্রে। অথোইবা মীথুং ওইখিবা সি পি আই লুচিংবা এক্স মিনিষ্টর ডা. এম নরনা হায়, লৈবাক অসিগী তঙদু লৈতাদ্রবা লম্বী লম্মাংনরবা মীচম মীয়াম, মানা মানা তৌনিংবতা তৌরবা মতমসিদা ঐখোয় মশেল য়েক্লবা অমদি হাত্তোক্লবগী, ৱায়েল থৌদা লৈতবগী মওং অমদা লৈরি। ফিভমসিদা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন নৈনবা মথৌ তারে।

In the Court of The Sub-Deputy Collector, Bashikhong, Imphal East

Mutation Cass No. 291/SDC/B/IE of 2026 Dt. 24.09.2026

1. Wahengbam Sobharani Devi C/o Khangembam Manijao Singh of Thongju Part - II
2. Khangembam Amumacha Singh S/o. (L) Kh. Paka Singh of Thongju Part - II Konak Khongnang Makhong
3. Khangembam Premananda Singh S/o. Late - do - of - do -

-Verses-

Co-Pattadar No. 1
Late Khangembam Paka Singh S/o. Late Pungou Singh of Thongju

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Bashikhong, the 24th September, 2026

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃইঃ তাহশিল খুল নং 58 - Thongju পাট্টা নং 94/627 অনৌবা দাগ নং 703 মোট এরিয়া 0.320000 একর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার Co-pattadar No. 1 Khangembam Paka Singh S/o Late Pungou Singh of Thongju দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা দরখাষ্টকারীশিং অসিদা সত্তা ওইনা ফংজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপতি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector Bashikhong, Imphal East, Manipur.

SL/Meiraba/25

In the court of The Sub Deputy Collector, Imphal West (Central)-I : Manipur

Ref. : Mut. Case No. 655/SDC/IW(C)-I dated 24/09/2026

David Kumar Ningthoujam S/o (L) Tomba Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai --- Petitioner

-Vs-

Ningthoujam Tomba Singh S/o (L) Birahari Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai --- O.P.

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Lamphel, the 24/09/2026

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Ningthoujam Tomba Singh S/o (L) Birahari Singh of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 90 -Thangmeiband অরিবা পাট্টা নম্বর 182 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 860/4722 (N) দাগ নং 3010/3462 অমসুং এরিয়া 0.010750 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I

SL/Nute/25

INGKHOL TABA YABA LOUPHAM AMA YONJARI..
ইংখোল তাবা য়াবা লৌফম অমা য়োঞ্জরি

Ingkhol taba yaba loupham ama yonjari. Taothong gi Village Number 95 ta Point 120 chaoraba loupham asi lambigi khudongchaba phangle. Mapham na Lamsang Lamkhaidani aduga Lamshang Lambal Changkhibagi Opposite mayada leibani. Ingkhol Asibu Leibiningba singna Point machet oina loubagi khudongchabasu pijari. Ingkhol asibu pambibasingna makhagi pijariba number asida contact toubirakpa yagani.

Call Now
9774181232 / 6909126530 / 7005072510

SL/Ratan/24-08

GAS TODAY

Tanglei Gas, Oinam

Booking up to : 06/07/26, Valid : 25/06/26, Stock - 342, Time 8 to 11 a.m., First come First Serve. Note : (1) 8454955555 Number sida Phone Tousinbiro Order Number Lakkani (2) Gas louba lakpada register Toukhiba Phone adu puraga lakpiyu. (3) DAC (OTP) piba ngamdrabadi Gas piba ngamloi.

শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম ঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায় পূন্নমকপু কোনবীরম্বা **লাইশ্রম মতুম সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বায় পূন্নমকপু থাদোক্লল্লগা, হৌখিবা তাং ১৪।০৯।২০২৬ ইং, লাংবনগী ৩নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা মধন মোহন শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্য দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবণ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ১৯।০৯।২০২৬ ইং, লাংবনগী ৮ নি পানবা, থাংজ নুমিত্তা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচখ্রবা মতুং, লাক্লিবা তাং ২৭।০৯।২০২৬ ইং, লাংবনগী ১৬ নি পানবা, নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণবকীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়নননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহা প্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাক্ষ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেন অমদি মরুপ মপাংশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরম পরেং ঃ
অয়ুক পুং ০৯.০০ – ভেক কৎপা
নুংথিল পুং ১২.৩০ – সঙ্কীর্ত্তন হৌবা

নাওরেমথোং শমুশং লাইরেম্বী লৈরক লেন্দ নম্বর ঃ ২

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ
লাইশ্রম তেজমনি সিংহ (মনাওনুপা)
লাইশ্রম মনি সিংহ (মচানুপা)
লাইশ্রম চান্দ সিংহ (মচানুপা)
লাইশ্রম প্রেমজীৎ সিংহ (মচানুপা)

SL/B-Sush/25

In the court of The Sub Deputy Collector, Imphal West (Central)-I : Manipur

Ref. : Mut. Case No. 653/SDC/IW(C)-I dated 24/09/2026

Potsangbam Puinabati D/o (L) Potsangbam Rupo Singh of H No. 85B, Near PWD, Upper Chandmari Colony, Kohima Sadar --- Petitioner

-Vs-

Late (1) Potsangbam (N) Taramani Devi D/o (L) Rupo Singh of of Thangmeiband Hijam Dewan Leikai
(2) Potsangbam Kamlini Devi D/o (L) do of do --- O.P.(s)

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Lamphel, the 24/09/2026

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Potsangbam (N) Taramani Devi D/o (L) Rupo Singh of Thangmeiband Hijam Dewan Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 90 -Thangmeiband অরিবা পাট্টা নম্বর 1691 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 1455 (N) দাগ নং 8085 অমসুং এরিয়া 0.03800 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I

SL/Nute/25

In the court of The Sub Deputy Collector, Imphal West (Central)-I : Manipur

Ref. : Mut. Case No. 654/SDC/IW(C)-I dated 24/09/2026

1. Sagolsem Henary S/o Late S. Inaobi Singh of Thangmeiband Polem Leikai
2. Sagolsem Bonny Singh S/o - do of - do -
3. Sagolsem Tony Singh S/o - do - of - do -
4. Sagolsem Sophia Devi W/o Bimol Singh of Louthai, Cachar --- Petitioner(s)

-Vs-

Sagolsem Inaobi Singh S/o (L) Parijat Singh of Thangmeiband Polem Leikai --- O.P.

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Lamphel, the 24/09/2026

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Sagolsem Inaobi Singh S/o (L) Parijat Singh of Thangmeiband Polem Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 90 -Thangmeiband অরিবা পাট্টা নম্বর .... অনৌবা পাট্টা নম্বর 1668/2734 (N) দাগ নং 7058/7327 অমসুং এরিয়া 0.01070 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I

SL/Nute/25



SL/Sush/08-07 Oct

In the Court of The Sub-Deputy Collector, Bashikhong, Imphal East

Mutation Cass No. 292/SDC/B/IE of 2026 Dt. 24.09.2026

1. Nameirakpam Ibopishak Singh S/o. (L) N. Ibohal Singh of Kyamgei Mamang Leikai
2. Nameirakpam Chaoba Singh S/o. (L) N. Yaima Singh of do -

-Verses-

Late Nameirakpam Ibomcha Singh S/o. (L) N. Chaoba Singh of Kyamgei Mamang Leikai

ꯈꯪꯍꯟ / NOTICE

Bashikhong, the 24th September, 2026

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃইঃ তাহশিল খুল নং 68 - Kyamgei পাট্টা নং 884 অনৌবা দাগ নং 1156 মোট এরিয়া 0.760000 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার Nameirakpam Ibomcha Singh S/o (L) N. Chaoba Singh of Kyamgei Mamang Leikai দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পল্লিবা দরখাষ্টকারীশিং অসিদা সত্তা ওইনা ফংজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপতি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector Bashikhong, Imphal East, Manipur.

SL/Meiraba/25

Crossword # 1152



Across
1. Stick around
5. Angry
10. Eye part
14. Staff
15. Twangy
16. Aspect
17. Regrets
18. Philanthropic
20. ____ and downs
21. Struggle for breath
22. Stopped
23. Midler or Davis
25. Part of DJ
26. Car beeper
28. Actor ____ Dillon
29. Yak
32. River transport of yore
35. Extremely
36. Butter units
37. Pinnacles
39. Initial wager
40. Send out
41. Lacking flavor
43. Christmas mo.
44. Disappointing grades
46. Possessive pronoun
47. Helpful suggestion
48. Some tides
51. Mouse ____ Little
54. Evergreens
57. Create lace
58. Insincere support (2 wds.)
60. Ocean movement
61. Press
62. Artist's stand
63. Angler's bait
64. Fender-bender result
65. Doorway
66. Small bills

Down
1. Clean thoroughly
2. Brownish gray
3. Numbing drug
4. Affirmative
5. Machu Picchu dweller
6. Football cheers
7. Memo letters
8. Paving liquid
9. Draw out
10. Thinker ____ Newton
11. Kids
12. Motionless
13. Sow
19. Experiment
21. Microbe
24. Browned bread
25. Calendar numbers
27. Pistons' league (abbr.)
28. Papas' partners
29. "My ____" (The Who song)
30. Crafts
31. Parting words
32. Went fast
33. Not wild
34. Eight musicians
35. Worth
38. Sow's home
42. Eternities
44. Urgent
45. Menu item
47. Common contraction
49. Juan's father
50. Plant stalks
51. Glided
52. Become weary
53. On top of
54. Boxer's weapon
55. Bakery worker
56. Bank (on)
59. Moving vehicle
60. Tango need

পাওখুম লমায় ৭ তা

হৌরক্লিবা নহাশিংনা কথোকপা, লৌশিং লৈবা মতিক ময়াই চেনবা মথৌ তাইঃশ্যাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা কথোকপগী ৱাখল্লোন, লৌশিং লৈবা য়াওনা মতিক ময়াই চেনবা মথৌ তাই। মসিনা অফবা তুংলমচৎ অমা শেম্বদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না লংথবাল এ সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা মাই ভারত এন এস এস সেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, মাই ভারত ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ষ্টেট ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল হেল্থ সেন্টর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি পুন্না খুৎশন্নদুনা মাই ভারত এন এস এসকী ৫৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা সেবা সঙ্কল্প অভিয়ান ২০২৬কী মখাদা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্পকী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা লংথবাল এ সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা হায়, মীওইবনা দান তৌদুনা কথোক্লিবা খূদিংমক মমল অদুমক ৱাংই অদুবু খ্বায়দগী অথোয়বদি ঈ দান তৌবা অসিনি। মসিনা মীওইবা অমগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি।

খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা চঙশিনগে হায়রবদি হিংমিন্নরিবশিং থকশি খাশি খঙবা, কথোকপা ঙম্ফগী ৱাখল্লোন চেনবা মথৌ তাই। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা কথোকপগী ৱাখল্লোন চেনবা, তেকচাক পুবা ঙম্বা লৈবাকমচা ওইদুনা লৌশিং লৈবা অঙাং ওইনা হৌরকপা তারবদি অফবা তুংলমচৎ অমা শেম্বদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মরম অদুনা ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংনা তুংগী অচৌবা তেকচাক অমা পুরি খন্দুনা হোৎনবা মথৌ তাই। অফবা থবক তৌবা, অফবা ৱাখল খনবা অমদি মীগী মতেং পাংবা হায়বসিনা অফবা ফল ফংবা ঙমগনি। পুকচেল শেংনা কথোকপনা মীয়ামগী থাজবা খূদিংমক ফংবা ঙমগনি। মীয়ামগী মতেং ফংলবদি পাঙথোকপা ঙল্লোইদবা থবক লৈতে। ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ঈ দোনেট তৌরিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। মসিনা মীওইবগী থৱায় কন্ননবা খোঙথাং অমা ওইনা অচৌবা তেকচাক পুবা হৌরবনি হায়বগী ৱাখল্লোন খন্দুনা অফবা তুংলমচৎ অমগীদমক অফবা নহা ওইসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর আর কে হেমোকুমার, য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরী নাওরেম প্রবিন অমদি ষ্টেট ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিলগী দিরেক্তর ডা. এল দয়ালক্ষ্মীসু মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী পুন্না মহৈরোই ১৫০ রোমনা ঈ দোনেট তৌখি।

অরিয়ান থিয়েটরগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ ইন্তরনেটকী মতম অসিদা থিয়েটরগী দ্রামা মাংশিল্লকপগুম তৌরবসু মালেমদা শক তাক্লিবা লমদম অসিগী তাংলবা দ্রমাগী মশক মওংশিং অসিনা অচৌবা ফিদা কনবা ঙম্লি হায়না ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর কলচরেল রিলেসনগী জোনেল দাইরেক্তর মুনিশ নিংথৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা অরিয়ান থিয়েটর লিংখৎখিবগী ৯১ শুবা কুমওন থৌরমদা জোনেল দাইরেক্তর মুনিশ নিংথৌজমনা মখা তানা হায়, দ্রামা লিলাবু মোবাইলদা য়েংবদগীদি হকথেংননা য়েংবনা হেন্না মগুন হাপ্লি। হৌজিক ওইরিবা সিচুএসন অসিদা থিয়েটর দ্রামানা অচৌবা রোল লৌদুনা পুন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী শক্তম ঙাকপদা থৌদাং লৌবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা খেঞ্জোংলাংগী থিয়েটর ডাঃ থানিললৈমানা মণিপুর থিয়েটরদা অরিয়ান থিয়েটরনা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীররদুনা অরিবম শ্যামকৃষ্ণ শর্ম্মনা হায়, অরিয়ান থিয়েটরনা হৌখিবা চহী ৯১ গী শাংলবা খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিগী থিয়েটরবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংশিংবু অমুক নৌহৌননা নীংশিংদুনা মীয়াম্না থল্লিবা থাজবা মাংহন্দনা থম্নবা হৌরক্লিবা আর্টিষ্টশিং অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থিয়েটর সেন্তর অসিবু হিংহন্নবা অমত্তা ওইনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়খি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থিয়েটর অসিবু ওইনবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবশিং অমসুং আর্টিষ্টশিংগী মফমদা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা অমদি মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা অরিয়ান থিয়েটরদা মতম কুইনদগী শরুক য়াদুনা লাকখ্রবা লৌক্রাকপম নরেন্দ্র, খোইবম হোমেশোরি অমদি লৈখিদ্রবা আর্টিষ্টশিংগী ইমুং মনুংশিংদা অচম্বা লেংয়ান খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা রুপমহল থিয়েটরগী ভাইস প্রসিদেন্ট লোইতোংবম ব্রজমোহোনসু শরুক য়াখি।

কেরিয়র ইংলিস একাদমিদা সাইন্স, ফ্লাৱর অমদি ঙামোক মেলা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খোংহাম্পাৎ খুনৌদা লৈবা কেরিয়র ইংলিস একাদমিনা শীন্দুনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংগী ওইবা সাইন্স, ফ্লাৱর এগজিভিসনগা লোয়ননা ঙামোক মেলা পাঙথোকখ্রে।

কেরিয়র ইংলিশ একাদেমিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা স্কুল অসিগী মহৈরোই ৫০০ রোমনা শরুক য়াখি। মহৈরোইশিংনা মশা মশানা পুথোকপা সাইন্স অমসুং ফ্লাৱরগী মোদেল কয়া উৎখিবগা লোয়ননা মখোয়না শেম শাবা চানবা চীঞ্জাকশিংসু ফংহনখি।

সাইন্স অমসুং ফ্লাৱর এগজিবিসন অমদি ঙামোক মেলা পাঙথোকপগী মতাংদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল পেচিময়ুম জেমস মীতৈনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোইশিংনা স্কুলদা লাক্লগা লাইরিক্তা য়াওরিবা অদুখক তন্বগী মহুত্তা মখোয়দা য়াওজরিবা হিদন টেলেন্টশিং অদু উথোক্তুনা হেন্না মায় পাকপা মীওই অমমম ওইরকপা ঙম্নবা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অহেনবা ৱাখল লৌশিং তানশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

পূন্নমক অসিগী মথক্তা মহৌশাগী খলবু কায়হন্দনা থন্নবা করম্বা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোনসু খঙহন্নবগী পান্দমদা স্কুল মেনেজমেন্টকী সাইটতগী পাঙথোকপা থৌরম অমনি। অসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অহেনবা ৱাখল্লোন কয়া মহৈরোইশিংদা পীদুনা মখোয়গী তুংগী পুন্সি মায় পাকপা অমা ওইবা ঙম্নবগীদমক মখা তানা স্কুল মেনেজমেন্ট সাইটতগী তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাওখোক্লবগীদমক্তসু শেম শাদুনা লৈরি। তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদগী অমুক্কা হেন্না মপুং ফানা চাউনা পাঙথোক্লবগীবসু পান্দম থল্লি হায়না মখা তারক্লি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি কেরিয়র ইংলিশ একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সাইন্স, ফ্লাৱর এগজিবিসন অমদি ঙামোক মেলা অদুদা শরুক য়াবা লাকপা মহৈরোইশিংগী মমা মপা ওইবশিংনা স্কুল অসিগী মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী মহৈরোইশিংদা নুমিৎ খূদিংগী ফক্লাং মরিনা খাবা ক্লাস রুম অমদা লাইরিক্তা য়াওবা নোলেজশিং তাকপী তম্বীবগী মথক্তা তোপ তোপ্পা অমা ওইনা অঙাংশিংনা য়ুম য়ুমদগী শেমজ শাজদুনা পুরকপা মখল মথেল কয়া থৌরম অসিদা উৎপা ফংহনবীবগী তাঞ্জা পীবিবা অসিগীদমক্তসু স্কুল মেনেজমেন্ট সাইটপু থাগৎলক্লি।

পিএলএগী ৪৮ শুবা মপোক কুমওনগা মরী...

লমায় ৩গী মখা...

মাইরোং য়ারকপা ঙসিদি কুমজা ৪৮ মপুং ফারক্লে। মনুং মতম অসিদা য়েক্লবনা অরৈবা পাঙ্গল অমসুং লৌশিং শিজিন্নদুনা লাঞ্চং অসিবু থেংননবা হোৎনবা য়াবমখৈ হোৎনখে। য়েক্লবনা ফনা হোৎনরগসু ঙসি ফাওবদি অরেম্বা তাদুনা লৈরি অমসুং লাঞ্চং অসি মায়থিবা পীবা ঙমদনা লৈরি। লাঞ্চং অসিবু থেংনবা ঙমখিগনি হায়বগী থাজবা মাংশিল্লক্লবা পাঙ্গল লৌশিং লোয়শিল্লক্লবা য়েক্লবগী চনিং তাদ্রবা ফিভম অমা লৈরিবদু ঙসিদি লোৎপা য়াদবা মতাং য়ৌরক্লে। মীয়ামগী নীংতম লাঞ্চং অসিবু ২০২৯ দা লোয়শিল্লগনি হায়না মতম থাবা ময়াং ক্বাক্কী লানবাও অমা চেল্লক্লিবসি অফোঙবা খুদম অমনি।

ইমা লৈবাক অমসুং মীয়াম নীংতম্নবগী অশেংবা মরম অসিবু য়েক্লবনা কৈদৌনুংদা মায়থিবা পীবা ঙল্লোই। মসিমদি মশাগী ওইনা লৈজরবা ৱাফমনি। লাঞ্চংসিগী ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা ৱাফম অমসুং তুংদা ওইরকপা য়াবা মওং মতৌগী য়েংলগসু য়েক্লবগী মতম থারিবা অনৌবা লাল্লোং অসি মায় পাক্কনি হায়বগী মমিদি লৈতে। অদুম ওইনমক য়েক্লবগী অনৌবা লাল্লোং অসিদা ফুল্লিবা লৌ অমসুং মদুনা লৈবাক মীয়ামদা শোকহল্লক্কদবা লায়থোকপা য়াদবা মতাং অমা য়াওরিবসি খঙমিন্নবা মথৌ তাই। মীয়ামগী নীংতম লাঞ্চং অসিবু থেংননবা য়েক্লবা ইন্দিয়ানা লিশাংশিংনা চথরক্লিবা মীওৎ মীনৈগী কেম্পেইনশিং অসিগী মশক থোকপা তাঙ্ককশিং অমসুং মদুনা শাগোন্নবা মওং মতৌ খরা লৈ। মণিপুর ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা মীখা পোনবা পামদবা মীওই কয়ানা লৈবাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক লোয়লম লৈঙাকপু শিংনদুনা রেজিস্তেন্স মুভগমেন্ট হৌখি। মরুওইনা মণিপুরগী নৌনা থোক্লক্লিবা রেজিস্তেন্স মুভমেন্ট অমসুং চীংগী লমদা শন্দোরক্লি বা নাগাশিংগী ঈহৌ থেংননবগীদমক্তা য়েক্লবনা খুৎলায় অমা ওইনা অফস্পা ১৯৫৮ অসি তহা তহা শেল্লবা মতুংদা মণিপুরগী লৈমায়দা ১৯৫৮ কী দিসেম্বর ১৫ দা থাংজিল্লকখি। মণিপুরবু য়েক্লবগী খুবাম্লুংদা মতম পুন্বদা থম্নবা মীওৎ মীনৈ থৌরাংশিংগী চৈনা কুয়োম ওইনা ময়োল ওইবা থৌদাং লৌদুনা হৌজিক ফাওবা লৈরি। ১৯৫৮ তা থমজিল্লকখিবা অফস্পানা মণিপুরবু করম্না য়েংগনি হায়বা য়েক্লবগী তমথিবা মবুকচেল ঙল্লিঙৈদগী হৌনা মশক তাকচখ্রবনি। অদুবু চেকশিলহৌদবনা মরম অমা ওইদুনা মণিপুরদা অফস্পা মরু মরা তাখি। মরম পীদনা চিংনবা মীওই ফারগা ওৎ নৈবা, জেলদা থমজিনবা, য়ুমকৈ মাং তাকহনবা, লৌ ইংখোল মৎপা, ইমুং মনুং অৱাবা তাগনি কিহন খঙহনবগী থবক অমা রেজিস্তেন্স থেংনবগী মপুং ওইবা থবক ওইখি। মসিগা লোয়ননা ঈহৌদা শরুক য়ারিবশিংগী মরক্তা শেল থুম পীগনি অমসুং লৈঙাক্কী থবক ফংহনগনি হায়বগী লাং থাক্তুনা মশেল মরক্তা থুগায়নবা হোৎনবা মতাং অসিদগী হৌখি।(মথং মথং)

কোসেমগী কন্ত্রোল্লরনা এগজামগী কনফিদেন্সিয়েল...

লমায় ৩গী মখা...

অসিদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী ক্বেসন শেমগদবা ওঝাশিংবু কন্ত্রোল্লরগী কা মনুংদা ফম্মিন্নদুনা মিটিং তৌবা অমসুং ক্বেসন শেমগদবা ওঝাশিং লোয়না মশক খঙহন্দুনা এগজাম অসিগী কনফিদেন্সিয়েল লৈহন্দবসি লায়বক থিবনি হায়রি।

লৈঙাক্লা পীবা চাকথুং মীয়ামদা মপুং ফানা...

লমায় ৩গী মখা...

রোদ থৌদাবাবোক লৈকাইদা ঙসি কৈশামথোং এ সিগী ওইনা ঙসি পাঙথোখিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ নিসিকান্তনা হায়, লৈঙাক্লা পীবা চাকথুং অমদি খুদোংচাবশিং মীচম মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্নবা খোঙথা অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীন্দুনা অসিগুম্বা থৌরম অমা পাঙথোকপা অসিমক থাগৎনিংঙাইনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামগীদমক থবক থৌরম পাঙথোকপা চহী ২৫ মপুং ফারকপগা ইরোইননা থা অমা চুপ্পা মীয়ামদা মথৌ তাবা সার্ভিসশিং পীনবা পান্দমদা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি। মীয়াম্না দিপার্টমেন্টতা চৎতুনা চে-চাং তান্নবা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা থেংনবা খুদোংচাদবশিং অদু খোঙথাং অসিনা খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি থাজে। দিপার্টমেন্টশিংনা মফম অসিদা লাক্লগা মথৌ তাবা সার্ভিসশিং পীগদৌরিবা অসিদা মীয়াম্নসু খুদোংচাবশিং লৌহৌনবা হোৎনসি। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা লৈরিবা মকোক থোংবা ইমপ্লোইশিংদগী হৌরগা ষ্টাফ খূদিংমক্লা মীচম মীয়ামদা ফংফম থোকপা চাকথুং ফহন্নবা হোৎনবদা চপ চাবা থৌদাং লৌফম থোকই হায়খি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার কৈশাম জদুমনিনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টোল অমদি সার্ভিস কাউন্টর কয়াসু হাংদোক্তুনা মীয়ামদা মখল কয়াগী সার্ভিস পীখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না হন্দক্তা নৌনা আই এ এস ওইনা পর্মোসেন পীখ্রবা কে বোনোবুসু এম এল এ নিসিকান্তনা তরান্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

চীংদা মৈ চাক্লগা তম্পাক্তা জগোয় শাদুনা...

লমায় ৩গী মখা...

ঐখোয় তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা চুল্লোই। খৎনরিবা খুদিংমক টেবল অমদা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপনা নাকল অনিগী ওইনা অফবা ওইগনি। নোংমগী নাগা অসুক শিরে, কুকিগী খুল অসুক মৈ থাখ্রে হায়দুনা মশিং থিনদুনা লৈথোকপা য়ারোই। মৈ চাকখ্রবা মতুংদা ফায়র ব্রিগেদ লাক্তুনা মৈ কনবগী মহুৎতা মৈ চাক্ত্রিঙৈদা মৈ চাক্তনবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎহৌবনা চুমগনি। ইরাং থোক্ত্রিঙৈদা ইরাং থোক্লকপা য়াবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং থমজিন্দুনা নাগা কুকি অনিগী মরক্তা চথরক্লিবা ইরাং অসি শাংথদনবা হোৎনবা চুমগনি হায়না ঙসি গভর্নরগা উন্নখিবা অদুদা মখা তানা হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোয়শিনসি হায়রগদি খুৎলায় লৌথোকপা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। মরম অদুনা সুদা লৈরিবা গ্রুপ পুন্নমক্কী কেদরশিং মশিং থিদোকপা, দিজিগ্নেটেদ কেম্পশিংদা লেংদনা লৈহন্নবা, মখোয়না পায়রিবা খুৎলায়শিং লৌখৎতুনা শোলোনশিল্লগা সিল তৌদুনা থম্নবা মতুংদা মণিপুর পুম্বা পাক শন্না কোম্বিং ওপরেসন চথদুনা লোগী ৱাংমদা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিং ফাদুনা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই। মাস কোম্বিং ওপরেসন হেক লোয়বগা পোলিটিকেল দাইলোগ তৌদুনা মফম কয়াদা কোয়চায় চাইদুনা লৈরিবা আইদিপিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহল্লবা মতুংদা এনআরসি অপদেট তৌবা ঙম্লগদি ইরাং অসি লোয়শিনবা ঙমগনি হায়নসু তকশিল্লমখি।

গভর্নরগী মায়কৈদগীসু মহাক্লা পুখৎলিবা ৱাফমশিং অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিস্ত্রিগী লেভেলদা পুখৎতুনা খন্নগনি হায়না থাজবা পীরকখি। চীংদা মীহাৎ মীপুন, ইরাং থোক্লগা তমদা লৈরিবা ঐখোয়না তুমিন্না য়েংদুনা লৈবা মতম নত্তে। মেজর কম্যুনিটি ওইরিবা মৈতৈনা ইরাং অসি কমদৌনা নাকল অনিমক্কী পুক্লীং ৱাখল ফাথবা মতম ওইরে। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা সোলুসননা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। তুংকোয়না চৎনগদবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

কুথি ইবা অমদি য়েংনবা এস্ট্রো থেংগ্রা...

লমায় ৩গী মখা... ইং তপ্পা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লৌশিং লৈরবা পাঞ্জিশিংনসু অঙম্বা থৌদাং লৌবিয়ু। মীওইবা ঐখোয়না পোকপদগীনা শিবা ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থেংনরি। থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী থৌরম পরেং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খেনচঙলোন হায়বসি তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদব্রা অমনি। তুংদা হৌগৎলক্লিবা মীরোল অসিদসু লমদম অসিগী লৈরিবা খেনচঙলোনগী মরু ওইবশিং অসি ময়েক শেংনা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

এল এস টি বিগী ২শুবা ভাইস প্রসিদেন্ট চনম নবচন্দ্র, মেম্বর সেক্রেটরি সন্ধাম গন্ধরাজ, কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দকী প্রসিদেন্ট সাইরোম অহামভিজিৎ অমদি এল এস টি বিগী খেনচঙলোন শঙলাকপা থোংবম প্রেমজিৎ মীতৈ য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না কুথি ইবা অমদি য়েংবদা শীজিন্ননবা 'এস্ট্রো থেংগ্রা ১০.১' কৌবা সোফটৱেয়র অমসুং লোঞ্চ তৌখি। লোয়ননা খেনচঙলোনগা মরী লৈনবা লাইরিক ইবা, ফোঙবা অমসুং অপোকলোন য়েংবগী লমদা মতম শাংনা থৌদাং লৌরক্লবা লমদম অসিগী পাঞ্জি ১৪দা মাইচৌ কোনোক থেঙগ্রা নীংশিং মনা লাম্হোক্তুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

শৈজাং চৈরাও চীংদগী খূৎলায় ...

লমায় ৩গী মখা...

ইঞ্চি অনীগী মোর্টার সেল ২ অমদি ৫১ এম এম মোর্টার সেল ১, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৮, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী এমটি কেস ১৭৮, ইমুলদাইন এক্সপ্লোসিভ ৬, এক্সপ্লোসিভ প্রাইমর ৩ অমদি দিটোনেটর ২, আর্মি রিংস ৭কা লোয়ননা গ্রেনেদকী য়াল্লবা মচাকশিং ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।

এন ই দি এফ আইনা শিন্দুনা লাইরিক...

লমায় ৩গী মখা...

ফোঙবগী থৌরম অদুদা এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর পিটর সলাম, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দাইরেক্টর কে দেবদট্টা, দব্লিয়ু এ পি সি ও এস লিমিটেদকী কন্সলটেন্ট দা. কে পি এস মালিক অমদি চুরাচান্দপুরগী ব্রাঞ্চ মেনেজর কেঐচ ওমেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্ট অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী ওফিসিএলশিং, ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী ৱেলকম এদ্রেস এন ই দি এফ আইগীগী মেনেজর কেঐচ ওমেন্দ্রোনা পীখি। তরান্না ওকপগী ৱারোল অদুদা মহাক্লা দব্লিয়ু এ পি সি ও এস লিমিটেদনা শেম্বা এন ই দি এফ আইগী টেক্নো ইকোনেমিক এন্দ দিভেলপমেন্ট ফন্দ (টি ই দি এফ) দিপার্টমেন্টকী মখাদা চথবা ষ্টদি রিপোর্টকী ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা কেঐচ ওমেন্দ্রোনা মণিপুরদা ইন্টিগ্রেটেদ দিভেলপমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ সেক্টরগী মনুংচন্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মাষ্টর প্লান দিভেলপ তৌনবা অমদি প্রাক্টিকেল রোদমেপ অমা পুথোক্তনা থল্লিবা পান্দম মতৌ করন্না ফংবা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদসু ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুগী মনুংচন্না এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর পিটর সলাম অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দাইরেক্টর কে দেবদট্টানসু দিপার্টমেন্টনা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু শুগায়না খঙহনবগা লোয়ননা তুংদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ৱা ঙাঙখি।

মীরেপনা মতিক চাদ্রবদি পার্টি অদুনা ...

লমায় ৩গী মখা...

ওফ অকোইজম প্রিয়োব্রত্তনা শীন্দুনা ককৱা লাইফৌওইবী লৈরক মনুংগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীরেপ লাউথোকপগী থৌরমদা বোচৌনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঙসি মহাকনা মীরেপ অমা ওইনা থোক্লক্লিবা অসি কেন্দ্র অসি খক্কী নত্তে মণিপুরদা পোকপা মণিপুর মচা অমা ওইনা ইরমদম অসিগী করিগুম্বা অঙম্বা খর তৌরমগে হায়বীগ ৱাখল্লোনদা পোলিটিক্সতা খোঙদারকপনি। মমাঙগী মতমদা লৈরম্বা অহল কয়ানা লৈবাক্কীদমক তৌরম্বা থবক কয়াবু নহাশিংনা তুং ইন্না হোৎনবা মথৌ তাই। ঙসি হিংলিবশিংনা মশাগী ওইজবা ৱাখল্লোন খক্তমক খল্লগা হিংবা চুল্লোই। তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলগী খন্দুনা থবক তৌরম্বা চঙই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, এ অসিগী চাউখৎ থৌরাং হায়বসি শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা থবক্লি, হেন্না মরু ওইরিবদি লৈবাক অসিবু কনবনি। মশা মশাগী এ সিখক্তগী খনবা ৱাখল থাদোক্তুনা তুংলমচৎকী খন্দুনা থবক তৌনবা থাঙলকপা মহাক্কী খোঙথাং অমনি। মসিদা মীয়াম্না অমদি লৈবাক্কী থবক তৌবা নৎত্রগা তৌদবা হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা লৈতে, মীখল থেংনরিবা মীরেপ অদুগী মখা পোল্লি। রিজনেল নৎত্রগা সেন্ত্রেল পার্টি ওইরবসু মীরেপ অদুনা অফবা ৱাখলগা লোয়ননা অফবা থবক তৌদনবদি শক্তি লৈবা অচৌবা পার্টিগী মীরেপ ওইরবসু মদুগী ৱাহন্থোক লৈরোই। মরম অসিনা পোলিটিকেল পার্টিগী মরূম থুপ্পগী মহুৎ মীয়ামগীনি হায়না থোক্লক্লিবা মীহুৎশিংনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী খনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

স্কিল ট্রেনিংদা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিংগা...

লমায় ৩গী মখা...

(এস এম টি)' হায়বা হিরমদা ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) মদ্রাজদা পাঙথোক্কদবা স্কিল ট্রেনিংদা শরুক য়াগদবা মাইনোরিটি, ও বি সি অমদি এস সি কাঙলুপকী মহৈরোইশিংগা ঙসি সি এম খেমচান্দগা উনখিবনি।

উনবা অদুদা সেমিকন্দক্টর সেক্টরগী টেক্নিকেল এস্পেক্টশিং অসি অখন্নবা ওইরবসু লম অসিনা নহাশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীগনি হায়না সি এম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা ট্রেনিং অদুনা পীরিবা লৌশিং অমদি খুদোংচাবশিং নীংথিনা লৌশিন্দুনা থবক ফংনবা হোৎনগদবনি হায়না পুক্লিং থৌগৎখি। লোয়ননা ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোইশিংনা ট্রেনিং অসিদগী কান্নবা স্কিল, লৌশিংশিং কয়া অদু পুরক্তুনা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা আই আই টি মদ্রাজগী ওফিসিএল অমদি ফেকল্টি মেম্বরশিংগসু সি এমনা ৱারি শান্নখি হায়রি।

লুপা ক্রোর ৪৫গী দিফেমেসন সুট ...

লমায় ৩গী মখা...

অকোইজমনা মহাক্কী সোসিয়েল মেদিয়া হেন্দল অমা ওইরিবা ফেসবুক্তা থাগৎলকপা পোষ্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা থা অসিদা এম পি বিমোলনা প্রোফের ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী নুপী মহৈরোই ১১না মখোয়দা সেক্সচুয়েল হরাষ্টমেন্ট তৌই হায়না এম পি বিমোলগী মথক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইন্টরনেল কমপ্লেন কম্মিটি (আই সি সি)দা কমপ্লেন তৌরকখিবনি। তুংদা কমপ্লেন অদু থাঙ্গৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথগে হায়বদা অয়াবা পীরক্তবদগী কোর্টনা ইভিদেন্স লৈতে হায়না কেস অদু ককথৎখিবনি।

হায়রিবা কেস অসিগা মরী লৈননা অচুম অরান য়েংদনা মেদিয়া হাউস খরনা পাউ লান্না শন্দোকপগী মথক্তা ঙসি দিফেমেসন সুট তৌখিবনি হায়রি।

হায়ৱেদা ইল্লিগেল টেক্স লৌরিবশিংগী...

লমায় ৩গী মখা...

খুন্নাই অসিগী মীয়ামগী পুকচাক মপুং ফানা পীবা ঙম্বা নত্তে। মণিপুরগী মপান্দগী লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক মথৌ তাবা পোৎলম কয়া পুশিল্লকপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লনবা অসিগুম্বা য়ুনিয়ন অমা শেল্লকপা অসি চহী ১ মপুং ফারক্লে। নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া নেসনেল হায়ৱেদা পুশিল্লকপদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

মীয়ামগী পুকচাক পুশিল্লকপা গাড়ীশিংদা অয়েৎ অপন পীদুনা কাঙলোন কায়না টেক্সন লৌরিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা চপ চাবা মীৎয়েং থমদুনা মথৌ তাবা থৌশিল পায়খৎপা হায়বসি তঙাইফদবনি। ইকোনোমিক ব্লোকেদনচিংবা অয়েৎ অপন কয়া লৈরবসু মনা মশিং পুশিল্লকপা গাড়ীশিংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা পোৎচৈ পথা পুমথবা য়াওহন্দনবা চপ চাবা থৌশিল পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুয়িন অসিগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চিত্রঙ্গদা, এদভাইজরসু ওইরিবা লোয়র ফোর হ্যুমেন রাইটস মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর মাইস্নাম কোরৌহনবা লুৱাং, এদভাইজর নোংমাইথেম সদানন্দ মৈতৈ, কোকোমি ব্রুমেন ৱিংগী কনভেনর ৱাহেংবম লুৱাং লৈমা, জষ্টিস কম্মিটিগী চেয়রমেন জয়চন্দ্র কোন্থৌজম য়াওনা তোঙান- তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা চথরিবা ...

লমায় ৩গী মখা...

রিমুভ আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসিএল পৱারস) এক্ট ১৯৫৮ হায়বা ৱাফমশিং অসিসু দিমান্দ তৌদুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট অদু চথখিবনি। মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি অসি মথোং খঙদনা মুথৎনবা হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতসু চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রবনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা চথরিবা থৌওং মরম চাদে, মণিপুর মুথৎনবা হোৎনরবদি ইন্দিয়া কাইগনি। মণিপুরগী ইসু লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুৎ নাকল অমদা তোংশিল্লগা য়েলহৌমীশিং মুথৎনবা হোৎনরি। নুমিৎ খূদীংগী য়ুম মৈ থাহনবা, মীৎকপ মীরাওখোল থোকহনবা তৌহন্দুনা লৈরি। হায়রিবা টেরোরিষ্টশিংগী থৌওং ফোঙনা চথরিবা মখোয়গী মথক্তা অমত্তা ওইনা থেংনবা মতম ওইরে। ঐখোয়গী খোঙজং, পান্দম য়ৌদ্রি ফাওবা থেংনগনি। এন আর সি চৎনহন্দুনা বেজ ইয়ার ১৯৫১ ওইরগা মীতোপ খন্দোক্কদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কয়ারক হন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু প্রোব্লেম সোল্ভ তৌবগী মহুৎ নোংম-নোংমগী ইরাং থোকপা হেনগৎলক্লি। মসি অথুবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা থোকহন্নবা অমদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা আইনগী থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

ইনভেষ্টর চাদা ২৬ গ্রোদা য়াওরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ওইনা এন এস ইগী এক্টিভ ইনভেষ্টর জুন ২০২৬ ফাওবদা চাদা ২৬ লোম গ্রোদা য়াওরকখ্রে হায়না কম্পনিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা ইনভেষ্টর ৪ গী মনুংদা এক্টিভ ইনভেষ্টর অমদি দিজিটেল প্লেটফোর্ম শীজিন্নরে হায়না তাকপনি। থৌওং অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা কেপিটেল মার্কেটতা শরুক য়াবগী চাং হেনগৎলকপগী মরক অসিদা ওইরকখিবনি। ঙসিগী এক্টিভ ইনভেষ্টরশিংনা স্মার্টফোন এদোপসন, ইন্টরনেট পেনেট্রেসন অমদি দিজিটেল ফাইনান্সিএল প্রদক্টকী লমদসু শীজিন্নবগী চাং হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরে।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৮ দা এন এস ইগী পুন্না ইনভেষ্টর ৩৬.৩১ গী মনুংদা চাউরাক্লা চাদা ২৪ দি গ্রোগী য়ুজরশিংনি। সিক্কিমনা চাদা ৪১ স্যের তৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা রেকোর্দ ওইরিবা মদুগী মতুংদা অরুনাচল প্রদেশ চাদা ৪০ অদুগা ত্রিপুরানা চাদা ৩৭ ওইরি। মণিপুরগী ওইনসু গ্রোগী ইনভেষ্টর চাদা ২৭ না চহী ২৫ গী মখাদা লৈবা ওইরি। অদুগা চাদা ২৯ লোম্না চহী ২৫ দগীনা ৩০ ফাওবগী মরক্তা লৈবনা ওইরি। মসিনা তাকপদি গ্রোদা য়াওরিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা নহা ইনভেষ্টর ঙাক্তনি।

ইম্ফালগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না নহাশিংগী দিজিটেল ইনভেষ্টমেন্টগী মওং মতৌশিং অসি শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। মার্কেটকা মরি লৈনবা ফাইনান্সিএল প্রদক্টশিং য়ৌবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি।

লৈচিলগী মচৎ ...

লমায় ৩গী মখা...

দিজান অমদি দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা প্লে অসি উৎপগী থৌরম অদুদা জে এন এম দি এগী দিরেক্টর পুখ্রম্বম বিলাস, ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর কোলকতাগী বোর্দ ওফ গভর্ণরসকী মেম্বর বুধ চোংথাম য়াওনা থিয়েটর গ্রুপশিংগী দিরেক্টর, আর্টিষ্ট অমদি থিয়েটরবু পামজবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

হেল্পলাইন নম্বর ...

*লমায় ৩গী মখা...*হেল্পলাইন নম্বর ১০৯৮ অসি হৌজিকমক্কী ওইনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রে। টেক্নিকেল এক্সপার্টশিংগী মতেংগা লোয়ননা অথুবা মতমদা নম্বরশিং অসি অমুক হন্না শীজিন্নবা য়ানবা থবক থৌরম পায়খৎলি। হায়রিবা নম্বর অনী অসি শীজিন্নবা য়াদ্রিঙৈ মতম খরগী ওইনা ব্রুমেন হেল্পলাইনগীনা মোবাইল নম্বর ৭০০৫৭৭৬১৪৪ অমদি চাইল্ড হেল্পলাইনগীনা মোবাইল নম্বর ৮১১৯৯১৮২৫৭দা মীয়াম্না পাউ ফাউরকপা য়াগনি। হায়রিবা নম্বর অনী অসি টোল ফ্রী ওইনা পুং ২৪ মীয়ামদা সার্ভিস পীগনি। হান্না লৈরম্বা হেল্পলাইন নম্বর অনী অদু মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রিঙৈ মরক্তা মীয়াম্না হায়রিবা অতোপ্পা নম্বর অনীসিদগী হেল্পলাইন সার্ভিস লৌনবসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

তলব ১সুং পেন্সন পীথোক্লবা...

লমায় ৩গী মখা...

লৈবাক অসিগী বেঙ্কগী য়ুনিয়নশিংনা সেপ্টেম্বর ২৮দগী ৩০ ফাওবা থবক লেপ্পগী ষ্টাইক চথগদেরিবা অসিগী য়েংলগা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এক্সপেন্দিচরদা সেপ্টেম্বর থাগী সেনরি অমসুং পেন্সন থা অসিগী ২৫দা পীথোক্লবা খঙহনখিবগুম মণিপুরগী ওইনসু তলব অমসুং পেন্সন পীথোকপিয়ু হায়না জে এ সিগী প্রসিদেন্ট রাজকুমার বসুমনি সিংহনা অইবা চেরোল অদু পীশিন্দুনা তকশিনখিবনি হায়রি।

থবক তৌবদা ইকায় ইকি ...

লমায় ৩গী মখা... চেল্লবদি থবক ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবশিং খরদং ওইরবসু হন্থহনবা ঙমগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী শেন্দ্রীৎলোনগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবদসু মতেং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত্ত, থাংমৈবন্দ এ সিগী এম এল এ জয়কিষণ, ৱাংখৈ এ সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

য়ুকেএনএগী চীফ থাংখোমাং ...

লমায় ৩গী মখা... হাওকিপ মিজোরামগী কেপিটেল আইজোলদগী সেক্যুরিটি অমদি নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)গী কম্বাইন্দ টিম অমনা ফাখ্রে।

আইজোলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জোসাংলিয়ানানা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকপদা য়ু কে এন এগী কম্মান্দর ইন-চিফ থাংখোমাং হাওকিপ অসাম রাইফলস অমসুং সবসিদ্যারি ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (এস আই ভি) গী অপুনবা টিম অমনা ওপরেসন চথদুনা মায় পাক্লা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সেন্ত্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সি অমগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্লা বেন তৌখ্রবা মিলিটেন্ট আউটফিট অসিগী মখা তানা কাদর কয়া আইজোলদা লৈরমখিগনি হায়বগী থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্স ইনপুট অমা ফংবদগী হৌজিক হৌজিকসু সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি হায়নসু মখা তারক্লি।

ম্যান্মারদা বেজ তৌবা ...

লমায় ৩গী মখা... হৌনা লেপ্তনা এটেক্ট চথরক্তুনা মুকই টৈব্রাম খুলদা য়ুম ৪০গী মথক্তা মৈ থারম্লে হায়রি।

পনবা য়াই, কাংপোকপী মায়কৈদা নোংমা কাঙদনা থোক্লক্লিবা পামদবা থৌদোকশিংদা ঙৱাং কুকি ফুরুপকী মীওই অমা লৈখিদবনি। অদুগা নহান্না নাগা ফুরুপকী মীওই অমা লৈখিদবনি।

‘সি ই সি জ্ঞানেশকুমার পুং ৪৮গী মনুংদা রিজাইন তৌদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি’

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর (সি ই সি) জ্ঞানেশকুমার লাক্লিবা পুং ৪৮গী মনুংদা মশানা পায়রিবা ফম থাদোক্ত্রবদি থংনবা মীৎকুপ্তগী হৌদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ক্রোকোচ জনতা পার্টি (সি জে পি)গী ফাউন্দর অভিজিৎ বি কেনা চেকশিনৱা থমখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরমদা সি জে পিগী ফাউন্দর অভিজিৎ বি কেনা হায়, সি ই সি জ্ঞানেশকুমারগী মখাদা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা রাইট টু ভোট অসি ইকায় খুম্নবা মাঙহনবদা নত্তনা ইলেক্তোরেল রোল কয়াদা ইলেক্সন কম্মিসন্না মনিপুলেট তৌবগী থৌওং চখরে। মরম অদুনা সি ই সি জ্ঞানেশকুমারনা রিজাইন তৌদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিদা ফ্রি এন্দ ফিয়র ইলেক্সন পাঙথোক্নবগীদমক তঙাইফদনা সি ই সি জ্ঞানেশকুমার রিজাইন তৌবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী হান্নগী এদুকেসন মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধান রিজাইন তৌগদবনি হায়না ন্যু দিল্লিগী যন্তর মন্তরদা ক্রোকোচ জনতা পার্টিনা শীন্দুনা মশীং য়াম্লবা মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা ধরমেন্দ্র প্রধান য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ফমসু থাদোকখিবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক শীনবা থুংনা চথরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর)গী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিস্নর সুকবীর সিংহ সন্ধু অমসুং বিভেক জোসিনা হৌখিবা থা ১০ রোম অসিদা তাঙ্কক কয়ারক্তা য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোকখি হায়না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি কয়ানা রিপোর্ট তৌনরকখিবা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা কোংগ্রেস পার্টি য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মায়কৈদগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেশকুমারনা মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরে। মরম অদুনা জ্ঞানেশকুমার রিজাইন তৌগদবনি হায়নসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা অমুক হন্না ক্রোকোচ জনাতা পার্টিনা পুং ৪৮গী মনুংদা জ্ঞানেশকুমার ফম থাদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখিবনি।

জেলেন্সকিঃরশিয়ানা ইন্দিয়াগী মীওই কয়া শীজিন্নদুনা য়ুক্রেনগী মথক্তা লান চথরি

ন্যুয়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সি): রশিয়াগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মশীং য়াম্লবা সিটিজেন কয়া য়াওনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৪০ হেনবগী সিটিজেনশিং শীজিন্নদুনা য়ুক্রেনগী মথক্তা লান চথরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হেদক্বার্টরদা পাঙথোকপা ৮১শুবা সেসনদা ফোঙদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ৮১শুবা সেসন অদুদা শরুক য়ারদুনা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়, য়ুক্রেনগী মথক্তা রশিয়ানা চথরিবা লান অসিদা ঘানা, নেপাল, তাজিকিস্তান, ইথিওপিয়া, য়েমেন, জিম্বাবৱে, ক্যুবা, বেলারুস, সুদান, সাউথ অফ্রিকা অমদি তোঙান তোঙানবা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী মীওই কয়া শীজিন্নরি। মতাং মতমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী য়ুক্রেননা ফাদুনা লৈরিবা প্রিজনর ওফ ৱারশিং অদু মশা মশাগী মরৈবাক্তা হলহল্লক্লবগী হায়জরকপা কয়া লৈ।

য়ুক্রেন অমদি রশিয়াগা শোক্নরিবা লান অসিদা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী মীওই কয়া অশি অনা থোই হায়বা অসি য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী চপ চানা খঙই। রশিয়াগী হৈথোই শিংথোইরবা থৌগায় কয়ানা নমদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীওই কয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা শোক্নরিবা লানফম অসিদা থৱায় থারি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা মমিং মথা পনবদি তৌদনা হায়রিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীওই কয়ানা রশিয়াগী সেক্যুরিটিদা য়াওশিন্দুনা য়ুক্রেনগী মথক্তা লান চথরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। মরী লৈনবা লৈবাকশিংনা মখোয় মখোয়গী সিটিজেনশিং অদু লান অসিদা রশিয়াগী মায়কৈদা লেপহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়নসু জেলেন্সকিনা আপিল তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি তোঙান তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারি থাদগী হৌদুনা রশিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্নরিবা লানফম অসিদা ইন্দিয়াগী মীওই ২২৭ রশিয়াগী সেক্যুরিটি ওইনা রিক্রুইট তৌখ্রে হায়না ফোঙদোক্নরকখিবসু লৈখ্রে। অসিদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু থবক ফংনবগী পান্দমদা রশিয়াদা চত্তুনা থবক থিবগী থবক লেপ্লবা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চেকশিনৱা থমখিবসু লৈখ্রবনি।

মীওই ক্রোর ১ হেনবনা সেপ্টেম্বর ২৫দা ৱন্দে মাতরম শক শোনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সি): আর এস এসতা এফিলিয়েট তৌবা বিদ্যাভারতি অখিল ভারতিয় শিক্ষ্য সংস্থানা ওর্গনাইজ তৌদুনা চথগদৌরিবা নমামি ভারতম কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৫দা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ২৫,০০০ হেনবদা মহৈরোই, ওজা, মমা–মপা ওইবশিং অমসুং মশীং য়াম্লবা মীওই ক্রোর ১ হেনবনা শরুক য়াদুনা অকক্নবা পূঙফম অমদা ৱন্দে মাতরম শক শোনগনি হায়রি।

বিদ্যাভারতিগী মায়কৈদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ৱন্দে মাতরম শক শোনবগী থবক অসি লাক্লিবা থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পূং ১১দগী হৌগনি। বিদ্যভারতিনা ৱন্দে মাতরম শক শোনবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসি লৈবাক অসিবু নীংতম্নবা হোৎনরকপদা ৱন্দে মাতরমনা লৌখিবা মরুওইবা থৌদাং অদু ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী ৱাখল্লোনদা ময়েক শেংনা তাহন্দুনা লৈবাকনীংবা মীওই অমমম ওইদুনা লৈবাক অসিবু খূৎকন পাঙ্গনবা ৱাত্ত–পাদবা লৈবাক অমা ওইনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরম অমনি হায়রি।

অমরোমদা মীওই ক্রোর ১ হেনবনা অমুক্তদা ৱন্দে মাতরম শক শোনবগী থৌরম অসি এসিয়া বুক ওফ রেকোর্দ অমসুং ইন্দিয়া বুক ওফ রেকোর্দতা য়াওরগনি হায়রি।

চাইনা অমদি য়ু এস মুক্নবগী মহুৎ অমত্তা ওইনা চৎমিন্নগদবনিঃ জিনপিং

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সি): য়ু এস অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা মুক্নবা অসি তোক্ত্নুনা অমত্তা ওইবগী মরী শেমদুনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মায় পাক্না চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা য়ু এসতা থুংবগা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা খূৎ শোক্নরবা মতুং চাইনাদা বেজ তৌবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা ৱাফম অসি রিপোর্ট তৌরকখিবনি। পনবা য়াবদি সি জিনপিং হৌজিক য়ু এসকী খোঙচত্তা চাইনা থাদোক্তুনা য়ু এসতা লৈদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শান্নবগী থবক চথরিবনি।

কোংগ্রেসনা লৈবাকসিদা লৈরিবা ইলেক্সন ওফিসশিংদা থোমজিনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসনগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেশকুমার মশানা পায়রিবা ফমদগী লৌথোক্কদবনি অমদি জ্ঞানেশকুমারনা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইরিঙৈ নৌনা শেমদোক শাদোকখিবা লৈবাক অসিগী অনৌবা ইলেক্তোরেল রোল অদু ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমনা রিভিয়ু তৌগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ইলেক্সন ওফিসশিংদা থোমজিন্দুনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী লাক্লিবা থা অসিগী ২৫দা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট য়ুনিটশিংদা মরী লৈনবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসশিংদা খোঙজং চঙশিন্নবা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

অসিদা নত্তনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৮দা অনীশুবা ফেজগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরগী ওফিসশিংদা হৌজিক হৌজিক ইলেক্সন কম্মিসনগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর ওইরিবা জ্ঞানেশ কুমার ফম লৌথোক্লবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন–চার্জ ওর্গনাইজেসন কে সি ভেনুগোপালনা ফোঙদোরক্লি।

সনা–সুদোকু–১০৮৮গী সোল্যুসন

5	4	7	6	8	1	2	9	3
8	3	2	7	9	4	1	6	5
6	9	1	3	2	5	8	7	4
4	2	3	1	5	9	6	8	7
9	6	8	2	4	7	5	3	1
7	1	5	8	3	6	4	2	9
2	5	9	4	6	3	7	1	8
1	8	4	9	7	2	3	5	6
3	7	6	5	1	8	9	4	2

WANTED PARTNERSHIP INVESTORS

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735

SL/KK/10

IN THE COURT OF JUDICIAL MAGISTRATE FIRST CLASS, KAKCHING

ANNEXURE- 10

Assam Schedule Viii, Form No. 100

High Court Criminal Process No. 4

CASE NO.:-Cril. (P) Case. No. 13 OF 2026

Ref: FIR No. 47(6)2023 WKG-PS

U/S. 147/148/149/448/427 IPC added Sec. 380 IPC

PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF THE ACCUSED

(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

1) Name, Description and address of the accused:

1. **Elangbam Jiten Singh** (37 years), S/o E. Prem Singh of Ningthoumanai Mamang Leikai, P.O Kakching.P.S Waikhong, Kakching District, Manipur

Whereas complaint has been made before me that **Elangbam Jiten Singh** has committed the offence punishable Under Section 147/148/149/448/427 IPC added Sec. 380 of the Indian Penal Code, 1860 **(FIR. No 47(6)2023 WKG-PS)** and it has been returned to a Warrant of arrest thereupon stating that **Elangbam Jiten Singh** cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said **Elangbam Jiten Singh** have absconded to avoid the service of the said warrants.

Proclamation is hereby made that the said **Elangbam Jiten Singh** is required to appear before this Court to answer the said complaint on the **23rd October, 2026.**

2) Place: Kakching Court Complex

Dated this 18th September, 2026

Sd/-
(Jenit Kongbrailatpam)
Judicial Magistrate First Class, Kakching

SL/B-Rabi/24&25

IN THE COURT OF JUDICIAL MAGISTRATE FIRST CLASS, KAKCHING

ANNEXURE- 10

Assam Schedule Viii, Form No. 100

High Court Criminal Process No. 4

CASE NO.:-Cril. (P) Case. No. 13 OF 2026

Ref: FIR No. 47(6)2023 WKG-PS

U/S. 147/148/149/448/427 IPC added Sec. 380 IPC

PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF THE ACCUSED

(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

3) Name, Description and address of the accused:

2. **Saikhom Thaba Devi** (54 years), w/o S. Nabachandra Singh of Uyung Khunou, P.O Kakching, P.S. Waikhong, Kakching District, Manipur

Whereas complaint has been made before me that **Saikhom Thaba Devi** has committed the offence punishable Under Section 147/148/149/448/427 IPC added Sec. 380 of the Indian Penal Code, 1860 **(FIR. No. 47(6)2023 WKG-PS)** and it has been returned to a Warrant of arrest thereupon stating that **Saikhom Thaba Devi** cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said **Saikhom Thaba Devi** have absconded to avoid the service of the said warrants.

Proclamation is hereby made that the said **Saikhom Thaba Devi is** required to appear before this Court to answer the said complaint on the **23rd October, 2026**.

4) Place: Kakching Court Complex

Dated this 18th September, 2026

Sd/-
(Jenit Kongbrailatpam)
Judicial Magistrate First Class, Kakching

SL/B-Rabi/24&25

SL/Mocha/13to24

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING

NOTICE FOR OBJECTION

Kakching, the 23rd September, 2026

No. Pro/SR/Kak/2026-27: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from Shri. Y. Jiten Singh of the **“Thoibi Ideal Boarding And Tutorial”, Langmeidong Mamang Makha Leikai,** P.O. Kakching, P.S. Waikhong, Kakching District, Manipur on 23/09/2026 for registration under Section 4(1)(2) and Section 5 of the Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **Langmeidong, Lamjao and Tejpur only.**

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of the proposed **“Thoibi Ideal Boarding And Tutorial”, Langmeidong Mamang Makha Leikai,** P.O. Kakching, P.S. Waikhong, Kakching District, Manipur within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed **“Thoibi Ideal Boarding And Tutorial”, Langmeidong Mamang Makha Leikai,** P.O. Kakching, P.S. Waikhong, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rule 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/ entertained.

(Mohammed Ali Mudassir)
Deputy Registrar of Societies, Kakching

SL/5495/25,26

SPACE COACHING CENTRE

- SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
- SOCIAL SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
- HINDI TUITIONS CLASSES & SPOKEN COURSE

IK BOYS HOSTEL

- NEAT AND CLEAN ROOMS
- PEACEFUL SURROUNDINGS
- HOMELY FOOD

CONTACT - KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI
7005285138 / 9615455360

ক্রোসৱার্দ ১১৫২ গী পাউখুম

[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	■	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	■	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
C	A	N	E	■	N	A	S	A	L	■	S	I	D	E
R	U	E	S	■	C	H	A	R	I	T	A	B	L	E
U	P	S	■	G	A	S	P	■	C	E	A	S	E	D
B	E	T	T	E	■	■	■	D	I	S	C	■	■	■
■	■	H	O	R	N	■	M	A	T	T	■	G	A	B
S	T	E	A	M	B	O	A	T	■	■	V	E	R	Y
P	A	T	S	■	A	C	M	E	S	■	A	N	T	E
E	M	I	T	■	■	T	A	S	T	E	L	E	S	S
D	E	C	■	D	E	E	S	■	Y	O	U	R	■	■
■	■	■	H	I	N	T	■	■	■	N	E	A	P	S
S	T	U	A	R	T	■	F	I	R	S	■	T	A	T
L	I	P	S	E	R	V	I	C	E	■	T	I	D	E
I	R	O	N	■	E	A	S	E	L	■	W	O	R	M
D	E	N	T	■	E	N	T	R	Y	■	O	N	E	S

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR :IMPHAL

Ph.D. Admission Notice /696
(Under Visvesvaraya Ph.D. scheme for Electronics and IT: Phase-II)
Dated, the 23rd September, 2026

No.MU/3-121/V.Ph.D.S/Aca/25 : Online applications are invited from the eligible candidates for admission to **Ph.D. Programme** in Engineering for the Academic Session **2026–27** at Manipur Institute of Technology (MIT), Manipur University, under the **“Visvesvaraya Ph.D. Scheme for Electronics and IT: Phase II”**, supported by the **Ministry of Electronics and Information Technology (MeitY), Government of India.**

Programme / Department	Eligibility Criteria	No. of Seats	Broad Area of Research	Financial Support
Ph.D. in Computer Science & Engineering	1. M.E/M.Tech./MS in relevant branch with at least 60% in aggregate or equivalent CGPA OR B.E./B.Tech. in relevant branch with at least 80% in aggregate or equivalent CGPA with a valid GATE Score (Age Limit: 30 years)	1 (Full Time)	IT/ITES	As per Visvesvaraya Ph.D. Scheme for Electronics and IT: Phase II
Ph.D. in Electronics & Communication Engineering	1. M.E/M.Tech./MS in relevant branch with at least 60% in aggregate or equivalent CGPA OR B.E./B.Tech. in relevant branch with at least 80% in aggregate or equivalent CGPA with a valid GATE Score 2. Regular employee from a reputed industry, R&D Organization or academic/research institution.	1 (Part Time)	ESDM	

For more details **(Eligibility Criteria, Fellowship amount, Duration, Age etc.)** of the Visvesvaraya Ph.D. scheme, kindly visit the link: https://www.manipuruniv.ac.in/p/visvesvaraya-phd-scheme

How to apply: Online applications may be submitted at https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

General Instructions:

1. Before filling up the online application form, applicant should read the instructions carefully and follow it strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs.200/- (in case of SC/ST/PWD) candidates are to be paid online using Debit card/Credit card/Net banking/UPI only.

Selection Process:

1. The admission committee is responsible for the selection and recommendation.
2. Shortlisted candidates will be informed by email. Only selected candidates will be contacted.

Important Dates

Start of Online Application	24.09. 2026
Last Date of Online Application	08.10. 2026

Sd/-
(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

SL/B(Shus)/24&25

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR :IMPHAL

Post-Doctoral Fellow (PDF) Admission Notice /695
(Under Visvesvaraya Ph.D. scheme, Phase-II)
Dated, the 23rd September, 2026

No.MU/3-121/V.Ph.D.S/Aca/25: Online applications are invited from the eligible candidates for One (1) Post-Doctoral Fellowship (PDF) position in the **Department of Computer Science** under the “Visvesvaraya Ph.D. Scheme supported by MeitY, Govt. of India for the academic session 2026-2027. For more details **(Eligibility Criteria, Fellowship amount, Duration, Age etc.)**of the Visvesvaraya PDF scheme, kindly visit the link: https://www.manipuruniv.ac.in/p/visvesvaraya-phd-scheme

How to Apply:

Candidates must fill out the Google Form https://forms.gle/nhwZjnS5ZuMTFPTB7 and upload a single PDF file containing updated bio-data, marksheets, certificates, age proof, publications, and other relevant documents. **The last date of Google form submission is 8th October 2026.** Candidates are asked to send the hard copies of the bio-data along with all the relevant documents to the address of the HoD, Department of Computer Science, MU.

SELECTION PROCESS

1. The admission core committee is responsible for the selection and recommendation.
2. Shortlisted candidates will be informed by email. Only selected candidates will be contacted.
3. NoTA/DA will be provided.
4. Candidates should make their arrangements for the stay.

SPECIALISATIONS FOR PDF PROGRAM UNDER THE SCHEME:

Departments	Specialization
Computer Science	Machine Learning, Deep Learning, Artificial Intelligence, Signal and Image Processing, Natural Language Processing, Internet of Things, Network Security, Cryptography, Data Science, Computer Vision

Important Dates:

Start of Google Form Submission	24.09.2026
Last Date of Google Form submission and hard copy submission	08.10.2026
Date of Personal Interview	15.10.2026

Address for Communication:

HoD, Department of Computer Science, Manipur University, Canchipur, Imphal-795003
Email: hod.csc@manipuruniv.ac.in

Sd/-
(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

SL/B(Shus)/24&25

রোশিবিনানা সিলভর লৌদুনা এসিয়ান গেমসতা থংন থংননা মেদল লৌবা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱুশু শান্নরোই ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ জপানগী মোচিদা পাঙথোক্লিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা শরুক য়ানবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবী মণিপুরগী থৌনা ফবী ৱুশু শান্নরোই নাওরেম রোশিবিনা দেবীনা অৱাবা ৱাখল কয়া তুংওইনরম্লগা অচেৎপা পান্দম অমগা থৌনা লৈনা শান্নদুনা লৈবাক অসিগী সিলভর মেদল পুরকপা ঙমখ্রে।

নাওরেম রোশিবিনা দেবীনা ২০২৬কী এসিয়ান গেমস অসিদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সান্দাগী কেজি ৬০ ইভেন্টদা সিলভর মেদল লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা এসিয়ন গেমসতা থংন থংননা মেদল লৌবা ঙন্বা লৈবাক অসিগী অহানবা ৱুশু শান্নরোই অমসু ওইখ্রে।

২০২৬ এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা অৱাবা থৌদোক ৱাথোক কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবী রোশিবিনা চনুনা জপানদা পাঙথোক্লিবা গেমস অসিদা কন্না হোৎন্দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুবু চাইনাগী ঝাং জিয়া য়ুগী খূৎতা ২–০দা মায়থিবা নঙদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

পনবা য়াবদি নাওরেম রোশিবিনা হৌখিবা ২০১৮দা জকরতা–পলেমবাংদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা মেদল লৌখি। মদুগী মতুং ২০২৩দা হাংঝৌদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমস অদুদা সিলভর মেদল ফংদুনা মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখিবীনি। মরুওইনা ৱুশু মশান্নদা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবী শান্নরোই অমনি।

২০১৮ অমসুং ২০২৩দা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা এসিয়ান গেমসতা রোশিবিনা চনুনা থংন থংননা মেদল লৌখ্রবা মতুং চহী অসিগী ওইনা জপানদা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন গেমস অসিদা মখা তানা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবা অসিনা হৌজিক হৌজিকসু নাওরেম রোশিবিনা মহাক্কী হৈথোই–শিংথোইবা ৱাৎতনা লৈরি হায়না তাকপনি হায়নসু লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি কয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

মশাগী চহী ২৫দা ঙায়রীবি নাওরেম রোশিবিনানা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা নুপীগী ৱুশু সান্দা কেজি ৬০গী ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মকাওগী চু মান সিনবু ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা ২০২৬ এসিয়ন গেমস অসিগী কেম্পেইন হৌদোকখি।

মহাক্না চু মান সিনবু য়াম্না লাকচনা শান্নদুনা ৫–০দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা এসিয়ান গেমস অসিদা লৈবাক অসিগী ওইনা ব্রোঞ্জ মেদলতগী তাদনা শোয়দনা ফংলগনি হায়না মীয়াম্না শক্ক শোন্নদুনা লাকখিবনি।

মদুগী মতুং সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী থানিয়া কুসু মানিং তিয়াসবু ২–০দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদলগী লমজেলদা চঙখিবনি।

অদুবু রোশিবিনানা ফাইনেলগী অরোয়বা খোঙথাংদা মায় পাকপা ঙমকখিদে। চাইনাগী জিয়াং জিয়াঝৌবু মহাকপু ০–২দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড লৌখি অমসুং রোশিবিনা দেবীনা সিলভর মেদল ফংহৌখিবনি।

Medal Tally
20th Asian Games
Aichi-Nogoya 2026

Country	G	S	B	Total
PR China	80	30	20	130
Japan	20	34	37	91
South Korea	10	12	28	50
Kazakhstan	8	8	9	25
Uzbekistan	6	12	8	26
Iran	6	10	4	20
Thailand	5	4	7	16
Hong Kong (C)	4	10	9	23
North Korea	3	3	3	9
Bahrain	3	2	0	5
Malaysia	3	1	5	9
Kuwait	2	1	2	5
Qatar	2	1	1	4
Tajikistan	2	1	1	4
India	**1**	**7**	**9**	**17**
Indonesia	1	4	15	20
Macau	1	4	1	6
Chinese Taipei	1	3	11	15
Singapore	1	3	2	6
Vietnam	1	1	15	17

‘এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংদা ইন্সেটিভ নত্রগা প্রমোসন পীগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ জপানগী আইচি নাগোয়াদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা ইন্দিয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারিবী মণিপুরগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংদা লৈঙাক্কী লৈরিবী রুলস এন্দ রিগুলেসনগী মতুং–ইন্না মতিক চাবা ইন্সেটিভ পীবা নত্রগা লাইন ওফ প্রমোসন পীদুনা পূক্নিং থৌগৎক্কদবনি হায়না মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক চথরিবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা মণিপুরগী ৱেটলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু অমদি ৱুশুগী নাওরেম রোশিবিনা অনীনা সিলভর মেদল লৌরকপদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (এম ও এ)গী মায়কৈন্দগী হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা মরী লৈন্না ঙসি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন ভাবনদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা এম ও এগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবমনা ৱাফম অসি হৌদোকখিবনি।

এম ও এগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবম, এসোসিয়েসন অসিগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট কে বারুনি, জি এ সনাতোম্বা শর্মা, এম রাচন্দ্র, বোবি ৱাইখোম, এম ও এগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জয়েন্তকুমার, ত্রেজরর কিরনকুমার থাংজমগা লোয়ননা এম ও এগী অতৈ মরুওইবা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী থৌরম অদুদা এম ও এগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবমনা হায়, জপানদা চথরিবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী কন্তিজেন্টদা মণিপুরদগী তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী শান্নরোই ৩৫গা লোয়ননা ইন্দিয়ান টিমদা ষ্টেট অসিদগী কোচ ৪ থারগা পুন্না মীওই ৩৯না শরুক য়ারিবনি।

মসিদা ৱেটলিফটিংগীদা সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং ৱুশু শান্নরোই নাওরেম রোশিবিনা অনীনা সিলভর মেদল অমমম লৌদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অসি নুংঙাইবা ফাওই। মসিদসু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা স্পোর্টস দিসিপ্লিন কয়াদসু মণিপুরদগী মখা তানা এসিয়ান গেমসতা মেদল লৌরকখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্না এসিয়ান গেমসতা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবশিং অসিগী ইন্সেটিভ এৱার্দ অমদি মখোয়গা চানবা থবক শীনবিবসু লৈঙাক্না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবসু অপিল তৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা হৌজিক হৌজিক জপানদা লৈরিবা এসিয়ান গেমসকী ৱেটলিফটর সিলভর মেদলিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনু, সেপাক তাক্রোগী কোচ পঙাম্বম দুলজিৎ অমদি ৱুশুগী সিলভর মেদলিষ্ট নাওরেম রোশিবিনাগী কোচ প্রেমকুমারগা মথংশীৎনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা ৱারী শান্নদুনা মখোয়না থেংনরিবা অৱা–নুংঙাই, লৈঙাক্না মখোয়গীদমক লৌখৎহনিংবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা ঙসি ৱুশুগী সন্দা কেজি ৬০ ইভেন্টদা সিলভর মেদল লৌরকখীবী নাওরেম রোশিবিনা চনুনা জপানদা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ৱুশু ফেদরেসনদা চহী অসিগী জুন থাদা চথখিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা নাওরেম রোশিবিনা খল্লকখিদে। সেলেক্সন ত্রাইয়েল অদুদা খল্লবা দিভিয়ান্সি চৌধরি মশাগী অনাবানা মরম ওইরগা মহাক্কী মহুৎ মণিপুরগী ৱুশু শান্নরোই রোশিবিনা চনুনা ইন্দিয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনন লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদসু কূপ্না পাউদমখি।

এ আই এম খাবমনা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪(এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা রাইখান ফেমেলি অমসুং বাবিনা গ্রুপ ওফ কম্পনিনা ওর্গনাইজ অমদি স্পোন্সর তৌদুনা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথরকপা অহানবা গীফ রাইখান মেমোরিয়েল কপ ২০২৬–২৭কী চেম্পিয়ন এ আই এম খাবমনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লমখাইনা অমসুং অঙানবা তাইবঙ ফুটবোল একাদেমি (এ টি এফ এ)বু গোল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নরক্তুনা গোল চন্নবা অকনবা মওংদা এটেক তৌনখি। এ টি এফ এগী জর্সি নম্বর ২৬ বিকেননা মেটচকী ১২শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদুনা মাঙজিল থাখ্রবসু এ আই এমগী জর্সি নম্বর ১৪ এন নেনান্দোনা মেটচকী ২৫শুবা মিনিটতা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা ১–১দা মান্না লৈহনখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরবসু ঙম্নদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা পাঞ্জল মান্না লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা শান্নরকপদদি এ আই এমগী শান্নরোইশিংনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরক্তুনা এ টি এফ এদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা খুৎ হনবা ঙমহনখিদে। মেটচকী ৫২শুবা মিনিটতা এ আই এমগী জর্সি নম্বর ২০ টিঐচ অমুজাওনা অহেনবা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা ২–১দা মাঙজিল থাহন্দুনা মায় পাক্নবগী য়ূম্ফম থোনবা ঙমখি। মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা এ টি এফ এনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনখ্রবসু এ আই এমগী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা মেটচ অসি ২–১দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এ আই এমগী জর্সি নম্বর ২৩ মনোজরাই, জর্সি নম্বর ২০ টিঐচ অমুজাও অমদি এ টি এফ এগী জর্সি নম্বর ২ ষ্টেফেন অমসুং জর্সি নম্বর ৯ অরুনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি, মোদেল, ৱাই ও এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা নুপাগী টিম ১০না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্লগা অমদি নুপীগী টিম ৫না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২৯শুবা ষ্টেট য়ুঠ বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ (বোইজ এন্দ গালর্স)গী ঙসি নুপামচাগী শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিউ সি, মোদেল অমসুং ৱাই ও এস সি মায় পাক্নখ্রে।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা নুপামচাগী অহানবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সিনা য়ুঠ ক্লববু পোইন্ট ৫৬–৪৪দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই দব্লিউ সিগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ১১, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৫, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৫ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১৫ স্কোর তৌখি। অদুগা মায়থিরবা য়ুঠ ক্লববকী পোইন্টশিং অদুনা অহানবা ক্বার্টরদা ৫, অনীশুবদা ৮, অহুমশুবা ১৬ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১৫ স্কোর তৌখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদনা মোদেল ক্লবনা বি দি বি এবু পোইন্ট ৭০–৫৬দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা মোদেল ক্লবকী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ১৪, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৮, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১৬ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ২২ স্কোর তৌখি। অতোপ্পা মেটচতনা ৱাই ও এস সিনা য়ুনাক্কো স্কুলবু পোইন্ট ৩৮–২২দা অমদি সি ৱাই এল সিনা এস টি এ এন এসবু পোইন্ট ২৩–১৭দা মায়থিবা পীখি।

নুপীমচাগী শান্নখিবা মেটচশিংদনা ৱাই ও এস সিনা সি ৱাই এল সিবু পোইন্ট ৪১–৩৫দা মায়থিবা পীখি। ৱাই ও এস সিগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ৮, অনীশুবা ক্বার্টরদা ১৩, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৬ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ১৪ স্কোর তৌখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ই এস য়ুনা এল এম ৱাই ভি এবু পোইন্ট ৪২–১৪দা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ু বি এস এ অমসুং এস এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন–দি এস এ ককচিংনা শীন্দুনা ককচিংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২শুবা ক্ষেত্রিময়ুম কিশোরকুমার সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা য়ু পি এস এ মন্তক অমসুং এস এফ সি সোরা মায় পাকখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা য়ু বি এস এনা পি এফ সি তোকপাচিংবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা য়ু বি এস এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ কে সিংনৈচুংনা মেটচকী ৯শুবা অমসুং ৩০শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ১১ এ নরেসনা মেটচকী ৮৭শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা পি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৪ কেঐচ জেমস, জর্সি নম্বর ১২ এস দাইমন্দ অমদি য়ু বি এস এগী জর্সি নম্বর ১৩ এস কামোমরেং অমসুং জর্সি নম্বর ১২ কে ঙিরনৈহেংদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস এফ সি সোরানা দি ৱাই এ এলাংখাঙপোকপীবু গোল ৪–২দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ য়ুনুসনা মেটচকী ১১শুবা, জর্সি নম্বর ৯ নৱাশ পথাননা ৬৯শুবা, জর্সি নম্বর ১৮ এমদি অলি খাননা মেটচকী ৭৬শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৮ এমদি ইজাজনা মেটচকী ৯০ প্লস ৩শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা দি ৱাই এগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ গুং টিঐচনা মেটচকী ৩শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৩ ৱাই দাইমন্দনা মেটচকী ৮৮শুবা মিনিটতা চনখি। মেটচ অসিদা দি ৱাই এগী জর্সি নম্বর ১ ই উমাকান্ত অমসুং জর্সি নম্বর ২৭ প্রকাস রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬:
সোং সোং, চোৱাইনু, মখান সেন্তর, সিঐচ খুল্লেন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মাও ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশম্নদুনা এ এফ এ টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্লগা চথরিবা মাও ষ্টুদেন্টস মার্টিয়স ট্রোফি ২০২৬গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সোং সোং, চোৱাইনু, মখান সেন্তর, সিঐচ খুল্লেন মায় পাক্লখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী পুল–বিগী মেটচ ওইনা শান্নখিবদা সোং সোংনা কাইবিবু গোল ৭–১দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা সোং সোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ এল কাইসিনা মেটচকী ৯শুবা, জর্সি নম্বর ৩ কে হরিয়িওনা মেটচকী ১৩শুবা, জর্সি নম্বর ১১ টিঐচ অজাজিওনা মেটচকী ১৯শুবা, ৩৪শুবা অমসুং ৫৮শুবা মিনিটতা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ১৪ এ কাথেহরিনা মেটচকী ৫২শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ পিএফ অথিখোনা মেটচকী ৭০শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা কাইবিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ পিএফ দাইহরিনা মেটচকী ৬৭শুবা মিনিটতা চনখি।

১২শুবা মেটচ ওইনা পুল–বিগী শান্নখিবা মেটচতা চোৱাইনুনা রাবুনামৈবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা চুৱাইনুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৭ হরিসউনা চনখি। মেটচ অসিদা রাবুনামৈগী জর্সি নম্বর ১৮ এ কাপানি অমদি চুৱাইনুগী জর্সি নম্বর ১৭ হরিসউদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

পুল–সিগী মেটচ ওইনা শান্নখিবদা মখন সেন্তরনা চাকুমাইবু গোল ৬–১দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা মখন চাকুমাইগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ কিখোলুনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৪, ৬৪শুবা অমসুং ৭৩শুবা মিনিটতা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ১১ শিহরায়িওনা মেটচকী ২১শুবা অমসুং ৭৮শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ১০ এ কামাওনা মেটচকী ৫৯শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা চাকুমাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২১ খোজিওনা মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা চনখি। মেটচ অসিদা মখন সেন্তরগী জর্সি নম্বর ৪ ঝিপুলুদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

পুল–সিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা সিঐচ খুল্লেননা চোৱাইনামৈ খুনৌবু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা সিঐচ খুল্লেনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এ মানিওনা মেটচকী ৩শুবা অমসুং ৭৪শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১২ খোদজিখোনা মেটচকী ১৮শুবা, জর্সি নম্বর ২০ মোচোদজিওনা মেটচকী ৪৭শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ রোবভিনা মেটচকী ৬৬শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা সিঐচ খুনৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ অসুলি মেটচকী ১৩শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেটচ ওইনা পুল–দিদা মাওপুংদোং অমসুং তোবুমাইনা, অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবদা পুদুনামৈ অমসুং কালিনামাই, নুংথিল পুং ১২ তাবদনা পুনানামৈ অমসুং মাখেল অদুগা নুংথিলগী মেটচতা শাজৌবা অমসুং তাদুবিনা শান্নরগনি।

ফেদরেসননা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ ৱার্ল্ড ফূন্নবা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. রনবির সিংহ লাইশ্রমবু ন্যু দিল্লিদা লৈবা ভারত স্কাউট এন্দ গাইদ, নেসনেল হেদক্কার্টরকী সেল্ফ দিফেন্স ত্রেনিংগী নেসনেল হেদক্কার্টর কম্মীস্নর ওইনা খনখ্রে।

নেসনেল হেদক্কার্টর অসিগী নেসনেল চীফ কম্মিস্নর ওইরিবা রিটায়র্দ আই এ এস ডা. কে কে খন্দেলৱালনা ডা. রনবির লাইশ্রমদা সার্টিফিকেট খুৎশিন্নদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। ন্যু দিল্লিদা লৈবা ভারত স্কাট এন্দ গাইদকী নেসনেল হেদক্কার্টর ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লেমজনিংঙাই ওইরবা সার্টিফিকেট খুৎশিন্নবগী থৌরমদা কে কে খন্দেলৱালনা হায়, মণিপুরী মচা অমনা অসিগুম্বা পোষ্ট অমা পায়বসি মহাক্না অহানবনি। রনবির অসি বোল্লিৱুদকী ফিল্ম কয়াদসু এক্সন ফাইট কোরিওগ্রাফি অমদি ফূন্নবা মার্সিয়েল আর্টতসু থোয়দোক হেন্দোকপা মগুন চেনবা মীশকনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ৱার্ল্ড ফূন্নবা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. রনবিরবু নেসনেল হেদক্কার্টর কম্মীস্নর ওইনা খল্লকপদা ফেদরেসন অসিগী মায়কৈন্দগীসু নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

এম য়ুগী নুপা টেন্নিস টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ ছটিসগরগী রাইপুরদা লৈবা পন্দিত রভিসঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটিদা মথং থা ওক্টোবর ২দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেন্নিস (নুপা) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭তা শরুক য়ানবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা টেন্নিস টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন ওক্টোবর ১০গী অয়ূক পুং ৮ তাবদা এম য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোইশিংনা প্রিন্সিপাল, ডাইরেক্টর। হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী খুৎথাংদা ওক্টোবর ৮গী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা মিং পীশিলকপা য়াগনি হায়রি।

ত্রাইয়েল অসিগীদমক ২০২৬কী জুলাই ১ ফাওবদা মশাগী চহী ১৭কী মথক্তা লৈবা অদুগা চহী ২৫গী মখাদা লৈবা ওইগদবনি।

ফোর্ম সবম্মিট তৌবা মতমদা ঐচ এস এল সি পাস তৌবগী সার্টিফিকেট, ক্লাস ১০ প্লস ২ পাস তৌবগী সার্টিফিকেট, কোজেল / দিপার্টমেন্টনা পীবা রিদিং সার্টিফিকেট, খ্বাইদগী নৌবা আইদেন্তিটি কার্দ, পাস তৌখিবা এগজামিনেসনশিংগী মার্কসিট, অধার কার্দ, খ্বাইদগী নৌনা নম্বা পাসপোর্ট ফোতোগ্রাম অনী অমসুং কে আই য়ু আই দি অমদি এ আই য়ু স্পোর্টস আই দি লোয়নরক্কদবনি হায়না এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

৩শুবা দি জে এফ আর হোক্কী কপ ২০২৬
ঐচ য়ু অমসুং ৱাই সি সি আই সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক এস্ত্রো হোক্কী টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা দি জি এ আর হোক্কী কপ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা মৈরা বাশিখোং মায় পাকখিবগা লোয়ননা হোক্কী য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং এম পি এস সি দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা নুপাগী অহানবা মেটচতা হোক্কী য়ুনিয়ন অমসুং এম পি এস সি গোল ৩–৩দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

হোক্কী য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ সুরজ খুমননা অহানবা ক্বার্টরগী ৬শুবা, জর্সি নম্বর ১ টি রিক্কিনা ৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৯ সুরেস এনা চনখি। এম পি এস সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ কেঐচ রবিকান্তনা অহানবা ক্বার্টরগী ১২শুবা, অমসুং অহুমশুবা ক্বার্টরগী ৪৫শুবা অমদি জর্সি নম্বর ২২ এস সুরেসনা মরিশুবা ক্বার্টরগী ৫৬শুবা মিনিটতা চনখি।

নুপাগী অতোপ্পা মেটচতদা মৈরা বাশিখোংনা ৱাই সি সি আই সি অহল্লুপপু গোল ৮–২দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা মৈরাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ কোন্থৌজম সঞ্জিৎনা মেটচকী ৮শুবা, ১১শুবা অমসুং ৫৯শুবা মিনিটতা, জর্সি নম্বর ১০ মহেস এননা ১৩শুবা, ২১শুবা, ২৬শুবা মিনিটতা, জর্সি নম্বর ৫ এম ধনঞ্জয়, জর্সি নম্বর ২৪ লিশম সামসননা মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা চনখি।

নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থা থৌবালনা ৱাই সি সি আই সি অহল্লুপপু গোল ৬–২দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা থাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭১ এস হেম্বৌইনা ৯শুবা, ৪২শুবা মিনিটতা, জর্সি নম্বর ৮ রিতিকা তিগানা ২৩শুবা, জর্সি নম্বর ২ টিঐচ পিঙ্কিনা ৩৯শুবা, জর্সি নম্বর ৪৪ রোশনিনা ৪০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এস তনুনা মেটচকী ৪৭শুবা মিনিটতা চনখি।

তেকা পিশুম কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬তা তেকা পিশুম কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা তেকা পিশুম কাংখুৎনা গোপালদেব (ওল্ড) কাংখুৎবু পাঞ্জল ২৩–১৭দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা তেকা কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফতা ৯ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা গোপালদেব (ওল্ড)না অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল ৯ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৮ স্কোর তৌখি।

SLB(KK)31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com